রত্নাকর

(মণিপুর সরকার, শিক্ষাবিভাগকী মতেংগ কোংগদব)

রত্নাকর



অহানবা থৃৎনব
১৯৭১ জুন.
লাইরিক মশীং ১০০০

থাকাংবা
শ্রীকুমাইলাংপামতোম্বী শর্মা
সগোলবন্দ সম্নাং পুথি মপান ইম্ফাল

বস্তু অপুবা অইবগীনি ।

মমল:— রু: ৪.০০

রত্নাকর

তমথিন মক্রব দস্যু অমগী মমিংনি। নৌহৌন ৱারী অমুক্ লিক্লবগী কাম্লব লৈত্রে, মরমদি অভিনয় অসি লৈরবনিন। ৱারী অসি রামায়ণদগী, পুরাণ অতোপ অতোপ্পদগী, ওঝা ৱারী শিব-শিংগী মফমদগী, নাটক্ কয়াগী মতেংদগী মনৌব মওংদ মৈতৈ সাহিত্য জগতত পুথোক্চবনি। ইব হৌখিব তাং ৪। ১১। ৪৬ ইং মমশকৈশদনি।

পঙ্লব ঐগী বাখলদ 'রত্নাকর' মতৌ অহুম মাম শম নৈন-জনিঙই। "মহাপাপী অমন জগৎকী মমুংদ থ্বাইদগী   মুণি ওইখিব........." অঙকপ করিমত্ত ওইরমক্রে মরমদি "ঈশ্বরগী নাম" হায়বসিদি চাংদম্নিঙাই লৈত্রব শক্তি পুম্নমক তিল্লি। মাসিনি তোম্লবন থাজব পোকচব। চাংদম্নব য়াব করিগুম প্রমাণ অমত্ত লৈজত্রে—মরমদি ঈশ্বরদগী হেনব করিগুম অমত্ত লৈরত্রব মরম।

অতিয়া কয়া পাক চাউই?

অতিয়ামুক পাক্—চাউই।

সমুদ্র কয়া পাক· চাউই?

সমুদ্রমুক পাক চাউই।

রাম রাবণগী লাল কয়ামুক কল্লি?

রাম রাবণগী লালমুক কল্লি।

গগনং গগনাকারং, সাগরঃ সাগরোপমঃ।

রামরাবণয়োর্যুদ্ধং রাম রাবণয়োরিব॥

মতৌ অসিগুম্ব:—ঈশ্বরগী নামসি কয়ামুক য়াম্ব মগুণ লৈ ?
ঈশ্বরগী নামমুক মগুণ লৈ অসিনি ।

অজামিগ ব্রাহ্মণ — "নরায়ণ শোনবদগী বৈকুণ্ঠ ফংখি ।

দস্যু রত্নাকর—রাম শোনবদগী মহামুণি ওইখি।

রত্ন কর—তপস্যাগী শক্তিন পূন্যগী তুগুনকম ওইরে, মশা' পূম্ব লৈশোন কুপথরে মতোং অমত্ত লৈতরে শরুদ চাইরে, চহি লিশিং কয়া হৌখরে । লৈশোবুংদগী অনৌব হকচাং অম ফাওরক্লে, হৌজিক "বাল্মীকি" কৌরে অথোইব মুণি ওইরে।

নোংম তমসা তীরথ মপান্দ
ওামথফুনা হৌব পাম্বীগী উশা'মদ
* উশাই লাব অমোম অনি তোংলমই ।
থংহৌদন শাদানব'মন তেম্ব থাহুন
উচেক অনিগী মরক্ত অম হাংলমই
মহু উবব বাল্মীকিন অগুম হায়রকই ।

মা নিষাদ প্রতিষ্ঠাং ত্বমগমঃ শাশ্বতী সমাঃ ।
যৎ ক্রৌঞ্চ মিথুনাদেকমবধীঃ কাম মোহিতম্ ॥

থ হৌদনা মুণিগী কণ্ঠদগী অসি গুম্ব অনুষ্টুপ ছন্দগী শ্লোক অসি উচ্চারণ তৌখি। ... ... কয়ি অমুক হায়গনি মুণিগী মাগুদ শ্রীরামগী তুংদ ওইরকদব লীলাগী দৃশ্যাবলি পূম্বমক লোইন দর্শন তৌজব ফংখি। মুণিগী মিত্তগী প্রেমগী ধারা স্বর্গ গঙ্গা মন্দাকিনীন চেম্বরকপগুম অতংপ লৈতন শিম্বরমই। মবুংতোগী কৃপাদগী

মবুঙোগী লীলা ইথরে— মনাইগী মখিংন মকোক থমহনবিছুন "বাল্মীকি রামায়ণ" কোথরে কয়াগী মতিক কল্লব নামগী গুণ।

অরোইবদ ঐন হায়জনিঙই— ইরৈবাক মচা ইবুঙো ইবেম্ম-শিংগী মকমদ মতৃদি— বিষয় থুদিংমক্কী লাইরিক মথল মথা য়াম্ম পুংথোক্লবে, হায়রিব ময়াম অতৃপী মহুংদ মসিমম্থ অমনি। ঙঙাই-ফদন ঙাইহাক্ত ওইরবস্থ পাবিয় হুঙাইত্রবস্থ......... ময়মদি ক্রন হুংশিদনস্থ যন্ত্রগী পর্দ্দার অমদ থোক্লকপ গুর অতৃদ হয় হয় ঙাহুন লৈরবস্থ হুংঙাইরক্কে, অহুন মথং পর্দ্দার অম হোংবগুম অকব লাংগরিক্কী মথংদ কয়া ফজব লাইরিকস্থ মপাবিয়ু। ঙাক্সাদ উতি, গুক্কান মথোরস্থ এনছাংনি।

জ্যৈষ্ঠ শুক্লা রবিবারদশমী

দশহরা ১৪ জুন ৭০ —লেখক

কুশীলব

গোলোকী শ্রীকৃষ্ণ

রত্নাকর	চ্যেবন মু'নগী মচা।
রতনদাস	শঙ্কুগী নিংথৌ।
প্রধান মন্ত্রি	রতনদাসকী মন্ত্রি অহল।
বীরবল	সেনাপতি।
যোধসিং	" সহকারী "
নারদ	ঋষি।
তর্কানন্দ	নারদগী শিষ্য।
ভৈরবদাস	রত্নাকরগী মরূপ।
দয়ানন্দস্বামী	সবিতাগী মপা।
নরায়ণ	অরোনব কিজেং অমসুং অঙাংগী
সন্ন্যাসী (অরোনব মুত্তিদ মহাদেব)	মওংদ।

পারিষদ, অনুচর, লাম্মীনচিংব।

সবিতা	রত্নাকরগী নুপী।
করুনাময়ী	রতনদাসকী রাণী।
সোনামনি	গন্ধর্ব্ববালা।
অম্বা দেবী	রত্নাকরগী মমা।

অহানব মভাং অহানব উংপ।
(রাজ প্রসাদ) শজাই মদোল
নিংথৌ অমস্থুং মীত্র রারী শাব।

রত্নঃ— মন্ত্রী —

মন্ত্রীঃ - সনারাথং করম—

রত্নঃ—ঐগী প্রজা পুন্নমক পাউ থংনহনখো, নিংথৌগী মফমদ প্রজান হায়নিংব রা হায়ব' রাগনি হায়ন-। অদুগ লৈবাক অসিগী মতুংদ লৈব, অশিকপ খুল কাওবত্থ চিথদন অয়োনব মী থাহুন প্রজাগী পুন্সিং য়েংহল্লু। মখোয়ন অপাম, নিওব থুংদব, নিংথৌদ হায়নিওব রাদি ওইরগ মখোয় মশেন অমগ অমগ তাওনরিব রা পুন্নমক, ঐহোন্দ থংহল্লো।

মন্ত্রীঃ —মহারাজ! ওসি মমল মান্নব সনা য়াথংন প্রজাগী পুন্সিং হংবিরকপদি, মখোয়গী অরাব কোন্নগনি।

রত্নঃ —করম প্রজাগী অরাব?

মন্ত্রীঃ —সনা রাথং তাকপিত্রিবগী মমাওদ অয়োনব মী থাহুন প্রজাগী পাও থওননব ননাইন হোৎনজম্বে। অদুগ মী থরগী মচিন্দগী লৈবাক অসিদ ঈশিং তাওবগী থাও কংবে।

রতন:—অহ্ ওইরবদি কেরেলদ অচৌব পুত্রী অম তৌব তাই।
মহ্দ চত্তব শেল পুমমক রাজকোষতগী কাইগ'ন।

মন্ত্রী :—রাজেশ্বর সনা রাধং পুমমক মহৈ রাম্নব ননাইন হোৎন-
জগনি। অত্তবু রাজকোষতগী কাইব শেলন খরদং
রাংকত্র খৈ।

রতন: —করিগী ওজনি।

মন্ত্রীঃ —তাবিয়ু মহারাজ চহি অনিগী মমাংদ স্বর্গীয় বৃদ্ধরাজ
পাবৃত্ত ইবুঙোগী শ্রাদ্ধদ রাজকোষগী শেল রাম্ন ময়েং
তাখি। মরম অসিন হন্দক কেরেলদ তৌগদোরিব
পুত্রীগী শেল থর রাংকত্র খৈ।

রতন: —করি রানো মন্ত্রী। রাজ কোষত মতিক চান শেল
লৈত্রব? অহুগ পুত্রী তৌবদ কয়া রাম্ন চত্তগনি।

মন্ত্রীঃ —প্রজাদি মশীং রাম্মী, পুত্রী অমন মতিক চাবোই, মরমদি
অচৌ অচৌব থুন্দ পুত্রী থর থর তাই, মত্রবদি
প্রজাগী অবাব রাম্ন থোকনি মহারাজ অহুগ পুত্রী অম
তৌবদ স্বর্ণ-মুদ্রা ৩০'০০০ লিংশিংকুহ্রা চত্তগত্র খৈ।
রতন:—কয়াদ ওকথ্ৰব! প্রজাগী নিত্তব থুংহনব ওমত্রব?

ঐ নিংথৌ ওইব কাম্রে।

মন্ত্রীঃ —পূক্নিং তপথবীয়ু মহারাজ! ঈশ্বরন থৌজালবিব মতম লাকনি।

রত্নাকর —অহবু মন্ত্রী! ঐগী পূক্নিং অসি মীকুপ খুদিংগী অরাব হেনগৎলকই।

(প্রজা থর চঙলকপ)

১ প্রজা—মহারাজগী জয় ওইশনু।

(সম্মান উৎপ)

রত্নাকর —হায়রু করি হায়নিঙব লৈ?

১ প্রজা—নমাই ঐখোয় কেংরেল নগরদ লৈজব প্রজানি।

মন্ত্রী :—খংলে, নখোয়গী অরাবগী পাও।

১ প্রজা—অহু ওইরবদি রাজব প্রজাগী ঈশিং পীবিনব থৌরাং তৌবিয়ু।

রত্নাকর —ঈশিংগী অরাব-। (খনব)

২ প্রজা—মহারাজ! নগরদ লৈব পুথ্রী কুহা পুম্নমক কংখরে। প্রজা করা করা মথরাই থানরে।

১ প্রজা: ঐখোয়গী অনকপদ নৈব তুরেল পুন্নমক লোয়ন কংখরে। খোরাংবন চান্নব, ঐগী ইপা ইমা অনিগী থব্লব, লাপ্লব তমশানদৌদগী ঈশিং লোন্নব চন্নকপদ শোল্লব অহন অনিমক প্রাণ থারমলে, প্রজাগী অৱাবসি কোকহনবীয় মহারাজ।

রত্ন: —(শর ফুইন হোঁনব) মন্ত্রী। ঐগী সিংহাসন অসি থাদোক্লগে চংলগে. থৱাইদগী হেন্ন মুংশিন্নব প্রজাগী নিঙব থুংহনব ঙমগনি নিঙত্রে। ঐগী মুংশিন্নব প্রজাশা ঐ হৌজিক নিংথৌ নত্রে, নিংথৌগী মতিক চাব শক্তি লৈত্রে। (করুনা লাকপ উবদ)
করুনা নহাক মকম অসিদ করিগী লাকলি। ঐদি নিঙব কান্নব প্রজাগী মতেং প্পাংব ঙম্লব নিংথৌনি।

করুনা:—নত্তে মহারাজ ! ঐগী শরুক্ত লৈরিব রাজাকাবত্তগী, স্বর্ণ মুদ্রাপুন্নমক প্রজাগী মতেং পাঙবদ লোয়ন শিজিন্নন্ন গনি। অদুগ ঐগী মথল রাম্নব মণি মুক্তা পরেং অসিন্থ প্রজগীদমক সনা চন্নদ কংতন্নবনি।
(মুক্তা পরেং লৌখোকতুন পীব)
(তাঙ্গা অসিদ গুপ্তচর অম চত্তলকপ)

গুপ্ত: —মহারাজ।

করুনা:—করি হায়নিঙব লৈ?

গুপ্ত: —প্রজাকী অরাব কঁরি হায়ন হুজংসিব।

রতন: — হায়য়ু, চিংনব লেতন হায়য়ু।

গুপ্ত: — ওমসানদা মপান্দ লৈরিব অয়াম প্রজা পুন্নমক তাবু রত্নাকরগী প্রলাপ [illegible] [illegible] লখা চংপ মীশী মপোৎ কয়া কয় মুলে, নপ [illegible] লুট পাট কয়া তোরে। মরাল লৈতদ্র মী [illegible] [illegible] মাওহন্নে। অরাব খোঙ্গেন নগর [illegible] [illegible] [illegible], প্রজা পুন্নমক কয়ন মথো ওইত্রে, মহা[illegible] জ থাংবদ রারব চংকম লৈজরব প্রজাগী উপায় অমুক্ত [illegible]।

রতন: — মথন্তর মাগী [illegible] মীনি হাউদ্র ?

গুপ্ত: — নত্তে. মগাক [illegible] অমগী সরদারনি।

রতন: — অাচ্ছ থংলে চংলে. ([illegible] চংখিব)

ঐগী মুংশিজরব [illegible]। নখোয় পুন্নমক চংলে, ঐন শোয়দন অরাব [illegible] অসি লোকনব উপায় তোগনি।

প্রজা: — ([illegible])

মহারাজগী জয় ও [illegible]।

(পুন্নমক চংখি)

রতন: — (অরাব হাবকা [illegible])

ঐশিং [illegible], [illegible] অরাব খোঙ্গেনগী মথক, নহু রত্নাকরগী [illegible] [illegible]। ঐ পুন্নমক থংলে, মমল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চারগ মুংতাইব মীলোক নোত্তুন মতম লেনব' মসির নিংথো ওইবগী

মুংঙাইব হায়বদো। নত্তে, নত্তে, ঐগী হারব প্রজাগী তেংবাংনব হোৎনব মহুতন ঐগী মরু ওইব থবকনি।

মন্ত্রীঃ— অচুম্বনি মহারাজ। প্রজাগী পেমনব হোৎনবন, নিংথৌগী মরু ওইব ধর্ম্মনি হৌজিক্কি কর্ত্তব্য লৌবিরো ময়াথং পীরুন দস্যুরত্নাকরবু লাকশিন্নব সেনাপতি বীরবলবু থাবিয়ু

রত্নঃ— মহুত নত্তে কেরেলদ অচো অচোব পূথ্রীশ্ব তৌনব থৌরাং তৌরনি।

কল্পনা—মহারাজ।

রত্নঃ— রানি। ঐ পুন্নবক থংলে। মন্ত্রী ঐ ইশামক হয়েং চৎকনি।

মন্ত্রীঃ— হুংঙাইজয়ে মহারাজ, সেনাপতি বীরবলদ সনা য়াথং তাকচরুব য়াথংগ্র।

রত্নঃ— য়ারগনি চৎলে।

মন্ত্রীঃ— অজ্ঞে। (সমান পিরগ চৎখিব)

কল্পনাঃ মহারাজগী থুম্নব সনা য়াথংদগী চাক্লব প্রজাগী থয়োরবু ঈংহনব মসিদ রাজ লক্ষ্মিন পীনব ওইশনু। (চৎখিব)

রত্নঃ—চিংনগনু কল্পনা।

লাইট

লক্ষ্মী

(চোংয়া ওইরপ্প বনগী লক্ষ্মী নারদ অমস্তুং শিষ্য তর্কানন্দ চঙলকপ।)

নারদঃ—য়েংউ তর্কানন্দ। কয়াদ ফজত্রব বন্নো, মাইকৈ পুম্নমক্ত শাংলিব লৈ মনমবু, মলয়া পবন্ন পুরক্লুন পূক্নিং অসি ঈংহল্লি। মাঙৈকৈ অ'সাম্দ অমুক য়েংউ। তপশানদাগী লুরব ইচেল্ল করাগী মতিক ফজন চেল্লিব।

তর্কাঃ- পুম্নমক উজয়ে গুরুদেব। অদুবু অস্নক নিংথিজরব বন অসিবু, পূক্নিংদ অকীব পোকহল্লি।

নারদঃ—তর্কানন্দ নঙগী পূক্নিং লোয়ন থংই। শাহিং চাব কৈ নোংশাবু নহাক য়াম্ন কীন থনলি।

তর্কাঃ—গুরুদেব থরাই...... ।

নারদঃ (খুৎ থঙত্থন) মীওইবন জীব পুম্নমকপুগী অথোইবনি শাহিং চাব জীবস্ন মীবু কীবদগী লাপ্ন চেম্দুন থাংই।

তর্কাঃ— গুরুদেব লম অসি থুন লানথোক্লব তৌরসি, দস্যু—রত্নাকরন লক্ষ্মী চংপ মীগী মপোৎ মচৈ মুনবত নত্তন মথরাইস্ন লৌই হায়ন তাজৈ।

নারদঃ—চৎলু তর্কানন্দ। অহাওব মহৈ মরোং থরা হেকলকউ বন অসি য়াম্ন নিংথিজৈ, বিশ্রাম ওহাক তৌথিনি।

তর্কাঃ- গুরুদেব। দস্যু রত্নাকর—

নারদঃ- তর্কানন্দ পুক্নিং য়াংগন্নু। নারদ অমস্তুং নারদগী শিষৎবু অরাব পীব ওব পৃথিবীদ তাঙই।

তর্কা: —অদুবু গুরুদেব তুংগী রা খংব চংদে। চৎচরে অহাক বিশ্রাম তৌরি[illegible]! ([illegible] থোকখিব)

নারদ: —(মুন্ন [illegible]) হ: হ: ত[illegible]নন্দন ঐবুসু থাজত্রি "ভবিষ্যদর্থে প্রমাণ [illegible]" তুংগী রা খংব ওমত্তে হায়দুন [illegible]ন চ[illegible]। [illegible] হরি [illegible] ঐনু বিশ্বাস তৌবি, ভারতী [illegible] রহস্য নিংথিজরব লীলা শামগদৌরি। [illegible] শিব কৌরি, মর্ত্তদ পোক্লবদি মৃত্যু শোয়ড্র[illegible] হাইব [illegible]। (থর থর চৎতুন) কয়াদ [illegible]?

(খংহৌদন [illegible] চিকপ [illegible]) নারদ ঐতোন্দসু লৌম চিল্লব ([illegible] থর [illegible])

নরায়ণ! নরায়ণ!! ([illegible] হোন্দুন) হকচাং অসি লিনন্দি হুন [illegible] হ্রা [illegible]। রক্তগতি শোম্বর[illegible] "ভ: ন হংকারাৎ পর: রিপু:" নরায়ণ। নরায়ণ!! [illegible]

(শীং[illegible] থমন শীংয়ানব)।

১ শীংচনব— আরে [illegible] ঐখোয় চৎলসি, ডাকু রত্নাকর [illegible]।

২ নিপা—(শীং কে[illegible] থর থর চংপ হয় য়েংলগ) ওরাংত যুম[illegible] চৎলসি হৌজিক অমুক লাক্ল[illegible]।

৩ নিপা—ঐগীদি শীং কো[illegible]থোং ফাত্র শীং য়োম্লগ এগী পরিবার

থাকদে রবনি, অদুবু ডাকু রত্নাকরগী থনলুবদ ঐ কীবন থাঙব ভমলক্কে চংলসি।

২ নিপা- (নারদ মুনিদ ভূশিনব অমম্নং পাখত্তুনা) মকম অসিদ লৈরে। নখোয় কনা কনা লৈবগে, ঐগী থবাই অমুক্ত কনবীয়ু—। (শীং থাদব)

১ নিপা -(চেনশি ` ঐগী থবাইদদি কনবিয়ু শে শীং অসি পুবীথে্া-। (শীং থাদব)

৩ নিপা-অশিব রত্নাকরবুদি করিগী কীরুগনি। ঐখোয়ন কিবদি অহিংব ডাকু রত্নাকরবুনি।

২ নিপা-অদু ওইববদি ঐ করি মতা কিয়ে, অবুক (হাকোক্লসি মতুংদ হিনংলক্কব)

(চৈ থাদত্তুন কুপে তৌব)

১ নিপা-বথার হাতোলবা ব্রাহ্মণ হবুবনি।

২ নিপা-১ নিপা—চুম্মী. চুম্মী ব্রাহ্মণ অহবনি।

৬ নিপা—কয়া য়ায় শোকপগে রেংসি লাও।

(ময়াম কমথব অমম্নং রেংব)

৩ নিপা—করিনু শোক্তে।

২ নিপা—অদুদি পাখৎতুন শিব ওইরিনি।

১ নপা-নখোয়ন হায়রিবদু অমত্ত নত্তে, লিয় চিক্কুন শিব ওইরিনি মশা অপূব লিনগী হুব শিনখে। মখোংদমু মকম লৈ। (ময়াম কোয়শিন্দুন লারুব মখোংদ উনাব হিদাক তৌব)

২ নিপা ঈশ্বর ইবুংঙা ! ব্রাহ্মণ অহল অসিবু অমুক হিংহনবিয়ু
নারদঃ—(তপ্প তপ্প চৌগৎলকপ) নখোয় কনা কনানো ? (কোইরেং রেংব) তর্কানন্দ ! তর্কানন্দ, ঐগী থবাই কনান কনবিরকই। নখোয় বন-অসিগী শীংচনব নত্রা ?
১ নিপা যাম্নি, ঐখোয় শীং চনব মীনি।
নারদঃ—নখোয় পূকচেল য়াম্ন চাউই, ঐগী থবাই কনবীবস্থ নখোয়নি হায়দু নখোয় করি হায়নিঙই।
২ নিপা বাবা ঠাকুর ! ঐখোয়গী অহাবসি অমুক কোকহনবীয়ু ডাকু বত্নাকরন অহিং মুংথিল থাক্কন, য়ুম য়ুম চঙহন লুঠ তৌবশি করিগুম উপায় অম তৌহন অমুক কংহনবীয়ু
নারদঃ—(নোক্লগা) রতনাকর—মহাকী মমিং অসি মমল য়াম্নব মণিদগী হেন্নরগনি। অদুগ নখোয়ন হায়রিব ডাকু রত্নাকর শোয়দন শিরগনি।
৩ নিপা মুংঙ'ইজরে বাবা ঠাকুর ! আশীর্ব্বাদ তৌবীরো এজাবু অহাব কোকলো হায়র্নি।
নারদঃ—নখোয় পূম্নক্কী অহাব ঈশ্বরন কোকহনবীরগনি। চৎলো নখোয়স্থ পোথাক্করো।
(ময়াম হৱাওব-নোক্ল নোক্ল চৎথিব)
ময়াম পুম্না—নহাকী থৌজাল্লগী অহাব কোক্লগনি। (ময়াম চৎথিব নারদ আশীবমুদ্রা তৌব)
নারদঃ— ঈহে
পীনৌ নঙগী নিংথিজবব মুরতি,

ভাইবং পানবগী মপু হরি।
ঐগী থম্মোয় আসন্দ,
ক্ষমবীয়ু নঙন কোকচু পাপকী মপৈ।
তোয়ব পারদগী মমখৎ থম্মোয়বু.
চানহনবীয়ু তত্তা হে হরি ॥ (চংখিব)

তর্কাঃ— (মহৈ মহোং পাইতুনা চঙলকপ অমসুং কোইয়েং য়েংব) গুরুদেবন কদোম্বা লেংখ্রব, ঐ শোয়দনা শিব তারে। লম্বী থংদনা চৎলুংদগী দস্যু রত্নাকরগ উমরুবা চী লাউন হিংজরকলে অদুগ গুরুদেবনা উরমে। চৌজিক অমুক সোয়দনা লাক্লবদি ঐ শোয়দনা শিব তারে; ইস ঐ শিকরে (ওহাক থনব) "প্রাণবিয়োগ ফলকব্যাপারো হিঃ মৃত্যু" মসিনিনে মসিদ শিরিব। মীন শিবসে (হয় য়েংব) ইস, চাননা—লাক্লবোই হেক নিংইদ। মসিদ শাস্ত্রগী করি যুক্তি লৈরি। কাম্বরবোই চংলো তর্কানন্দ মফম অসি থোক্কমনি চংলো চংলো নত্তু শিরবোই—। (হয় য়েংলগ থুন চংখিব)

লাইট

(শিব মন্দির ধুপ থাওমৈ লৈ চন্দন পূজা তৌব।)

ঈশৈ

করুনাঃ- থুরুমজরি জটাধারী
উমা সতীগী মবুঙো,
তোঙ্গরী ননাইন কৎচব
লৈরাংসে চরন্দ
লৌবীয়ু নঙন
পেনবিহৈব নহাকনি।
প্রভো। নহাক্ত ঐগী পতিনু মঙল পীনবীয়ু
(থুরুপ অমম্ভুং হয় মেংব)
লাকপিয়ে ঐগী থম্নোয়গী মবুঙোস্তু

রতনঃ—করুনা হসি ঐগী মঙদ, দস্যু রত্নাকরগী প্রতাপ থাংব
উমদহুন মহাকপূ কাগে যোংছরম ঐগী লাম্মী পুরমক
কাইহুন চেন্দথি মতুংদ ঐত য়াম অরাব তারম্মী অহু
দগী অমুক বজ্র তাবদগী হেন্নহৌরব খোঙেল অম লাউ-
রকই, মঙম অহুমতাদ ঐহাক রাহরম্মী। অন তারকপ
মতমদদি তমসানদীগী মপান্দ লৈরম্মী. মরম অসিন পুক্লিং
অসি লাংতাক্লৈ, করুনা—।

করুনাঃ-মঙদ রারম্বু তাইবং কাওন রাবীব হৌনব্র ইবুংঙো।

রতনঃ— মঙ হায়ৎসি থাজবদি য়াদে হায়ববু করিগুম মতমদসু
অহুম রাওরকই।

করনা:—(থরায় রান) প্রনেশ্বর মহ্ হায়বীগনু মতী অরাবয় তাইবত থোক্ত ফল ফংবগী আশা তৌবিগনু। ভগবান নিঙশিংবীয়ু, দয়াময় ! পতি সেবা কাইনবীগনু।

রত্নঃ—রানি (অতোপ্প মাইকৈ অমদ য়েংই) য়েংউ ! য়েংউ ।। মূর্ত্তি অসি দেব মন্দিরগ লোয়ননা পতালদ চংখ্রে। (অমুক মাইকৈ অমারোমদ) য়েংউ ? মশিং নাইত্রব লাংঙ্গ কাক্ত মচিন চীকতুন রাজপুর অসে কীহরে। (খর মপি হোন্দুন থমোয় শোক্ত ভাঙব) করনা করনা ঐগী কোক অসি চক্রগ মায়ন লৈরে। ঐ লাপ্পীগ ,লায়নন চংলগনি শিব চঙব ঈশ্বরগী নোংদম্মী, জয় শঙ্কর।

লাইট

১—৪

বনগী—লক্ষ্মী (অরাব মওংদ রত্নাকর)

রত্নাঃ— ঐবু কীবদগী লক্ষ্মী অসিদ মী অমত্ত চংখিদরে, অমা-বনি রত্নাকর,- পালল করিবৈ অসিমক্তনু ঐগী শোন্নব ইমা ইপা মবুক থন্ন পিজব ভয়ত্রব ! (হন্ন য়েংহুন) হৈঃ কনা কনা লৈ ?

অহুঃ— করি তৌরে সর্দ্দারজী ?

রত্নাঃ— ওসি হুমিং নিনি ভরে, মী অমত্ত থেংনরে। ঐগী

শোল্লব অহল শরিংদা চাদবন থারমলগনি। চংলো নওন ওম্ব মুনধুন থর পুরকত্ত।

অমু:— আচ্ছা সর্দ্দার অঠদি চংলে (চংখিব)

রত্না:— (খ:) ঐগী পুলিসসি তোনলিদ অহল অমিদবু থাকপ ওমত্রব। (য়েংবা) ও: মী অমদি লাক্লে করিগী কপলিব ঐগী ইথো তোগ:দোবনি মুংশফম থোক্লে।

অঙাং:— (মপী তৈথোক তৈথোকতুনা চঙশকপ)

রত্না:— নিপামগা রা হংগে শেংন থুম্মু। নহাকী করি য়াওরকই

অঙাং:— করিসু য়াওরক্তে।

রত্না:— ঐগী মীং ভাত্র, রত্নাকর ডাকু হায়বদো ঐনি। উত্র চৈ অসে, নহাগী অয়াওব পূমমক পিরমউ।

অঙাং: (কপ্পমমসুং কীন নীকপ)

ডাকু রত্নাকর!

রত্না:— ভাইথো— কপকমু শেংন থূমউ।

অঙাং:— (কীন) ঐগী অভাব করি হায়রন ভমসিগে নিজরকপ পূমমক থাংগ কোম্নন ডাকুন মুনবীহোরে। অহুপ ফুম্ন ফুবীরকই।

রত্না:— নহাক অমুক অঙাং শুইন ভিক্ষা নিব করিগীনো?

অঙাং:— ঐন নিত্রপদি ইমা কনান থাকপনি। মমিংনু তাঙলবী ইমান ঐবু ভাইরংখিপনি।

রত্না:— ভাইথো নহাকী পাদি লৈব্র?

অঙাং:— ঐগী ইপাদি নহাক্ন হাংথরে হায় নথোং পাইহন হায়জরি

ঐগী থৱাইদদি কনবীয়ু। চংলগে ইমাহু লাম্বন থংব ভমলংগঃ রাই।

রত্না:——ঐস্থ নহাক্কুম্ন অম্বাব'স ফংলিবনি।

(খ:) অওকপনি। ইস—।। নিপামচা ঐগী ংবক্তী ডাকু তৌহন চাই। সে- খোং থাদোকউ।

অওাং:—অতু'চ ঐমী ইমাগী পিজনব চেং থৱংদদি পীবিয়ু।

রত্না:— (গুরু) দস্যু রত্নাকরদ ভিক্ষা নিরব, লাও নিপামচা ঐগ লোয়মন চংশি। (অনিমক চওগে তৌব, লেপ্প)

অনু:— (নাকল অমংগী চওলকপ) সর্দারজী! পোৎ থৱদি পুর-কলে। চেংস্থ য়াম্ন যাওদে, থাউ অংসন সর্দারজীগী ইমুং মন্নুং থাকপ ওকলোই।

অওাং:—মহাক্ক পাইরিবংসি ঐগী থাউনি। থৱ মুনবীয়ু মসিদ নিরকপ চেং থরাস্থ হাওখিবনি।

রত্না:— কদায় থাউ অহু পিয়ু। (লৌব) অওাং অসিদগী নত্রবদি মুনিওগাই নৈত্রা?

অনু:— (কৌন) সর্দারজী! ঐগী থৱাই অমুক্ত কনবীয়ু।

রত্না:— সে- নিপামচা নহাক্কী থাউসি লৌজরে। অয়াওব থৱসি নহাক্কী নমাদ পিজরুরে। চংলো—।

অওাং:— (য়েংন য়েংন চংখিব)

রত্না:— চংলো নিপামচা মফম অসিদ অমুক হয় লাকয়ু। চংলো চংলো! কৰি অমত্ত কৌপহু। (অহুচরদ)
চংলো নওস্থ।

অঙাং:—নহাক থোঊজাল হৈব মীনি ।মতম পূন্নমক্ত মঙল ওইয়ু (চংখিব)

রত্না:— হা: হা: ঐবু থোঊজাল হৈব হা: হা: হা: ।
ওসি করি অমত্ত ফংত্রব ঐগী শোন্নব অহল অনিদি কনান পীজগনি । (থবাই রাহুন হঙ্গৎ হন্দ চৎপ)
উচেকশিং অসি মথায় কয়াদ হয়াওন লৈরিব — ।পিন্নব মচিন্তন চেনশিন্দুন মপূক থম চায়গ সুংওাইন ঊহৈ শকুন লৈরি । আচ্ছা ভাগ্না অমত্তদদি য়েংখিগে ফংত্রগ চৎলগে । (উগী মরুমদ লোৎপ)
[শেল য়াউব থাউ অম পুহন মুটিয়া অমস্তুং ব্রাহ্মণ দয়ানন্দ শ্বামী চংলকপ ।]

দয়ানন্দস্বামী—আরে মুটিয়া থুন চংলু । অমবনু নত্তে করিগী কীরি।

মুটিয়া:— ঠাকুরজী ! ওসিদি রাম কী ।

দয়াস্বামী—করিনু কীকম লৈতে, ঐ:থায় অনি গুরি চৎলো শিব পূজা মতম থেংত্রে। [অয়াম্নদ রত্নাকর উব]

দয়াস্বামী— আদগীসি ডাকু রত্নাকর নত্রা ?

মুটিয়া:—করি হায়ব ঠাকুর ! হৌজিক ডাকু রত্নাকর লাকলে হায়ব, ইস (কীমন্দুন চৎপ ওমদব)

দয়াস্বামী—ও: সহর ভগবান ননাইবু অবাব পীবিগনু প্র:ভো। । মহাকী চমগ লওজখিব য়াওথত্রা, কৃপা তৌবীয়ু ।

(মচুংলোমদ)

[নেপথ্যোঃ]—হাঃ হাঃ হাঃ

রত্নাঃ— (মমাংদ চপলেপ্প ছুরি অম, মুসল অম পাইব।)

দয়াস্বামী —(থকংতুন) কনানো লম্বী থাদোকউ।

রত্নাঃ— ঐগী ইমিং শ্রীরত্নাকর দেব শর্ম্মা থংলত্রা ?

দয়াস্বামী --ওকু ’ত্নাকর ! ঐদি য়াম্ন লাইবক ব্রাহ্মণি, চংগপে লম্বী থর থাদোকপিয়ু।

রত্নাঃ— (মুটিয়ান পাইব ময়োম মুনব) সিদি করি য়াওরি।

মুটিয়াঃ—বাবা মসি ঠাকুরগী পৈশানি।

রত্নাঃ— শেল য়াওরি হায়ব য়াম্ন কব য়ানি। পূম্নমক ঐন লোয়গনি নওগী মত করি লৈ।

দয়াস্বাম্মী—বাবা শেল অসি য়াম্ন য়ান নিজরকপনি। শিব মন্দির অমত্তংদি শাজপে হারন তৌজরি কালেনগী ষাবব চুংশাগী মৈশান শিব ঠাকুরদ য়্নরে। অদুগীদমক্ত নিজরকপ শেলনি।

রত্নাঃ— নও করিমত্ত থংত্রি, নহাক্কী দেবতান চুমিংকী মৈশা থাংব ওমত্রব, অদুগ ঐগী দেবতন চাদবন শিদদোরে, মরম অসিন শেল পূম্নমকপি ঐন লোয়গনি। হৈ থাদো-কউ মুটিয়া।

মুটিয়াঃ—ঠাকুর, মসি তৌবীগনু, ঐদি মুটিয়ানি নখোয় অনিন থবাই অমুক্ত কনবীয়ু।

দয়াস্বামী—খাদোকউ ঐগী থরাইন লৈরিবমথৈ পীররোই। দেবতাগী মরলনি প্রাণ থারব মতুংদ লোজহৌ ডাকু।

রত্না:— অচুম্ব বানি নহাক্কী নথোদ থরাই থারব ফাওব হোংনৌ ঐগী ইথৌদি থংলত্র (চৈন মকোক্ত থাব)

হৈ খদোকউ মুটিয়া (ছুরিন থিনব)

মুটিয়া:—ঠাকুর! ঠাকুর! দয়ানন্দ স্বামী—।

(চেমশিনব রত্নাকর ফাব)

রত্না:— ছুমিন লৈয় ।

দয়াস্বামী - ও: থরাই থাব তারে হে শঙ্কর দেব ,নহাক্কী অংকপ মায়া (স্ব: মপী) সবীতা সবীতা ইপাগী ইবেম্মসবীতা ইপা চংলমলগে। ঐগী বাথল মাওথরে। উ: শঙ্কর দেব মুক্তি পীনবিয়ু ও: শ-ঙ্ক-র। (শিথিব)

মুটিয়া:—ব্রাহ্মণ অদি শিরে। ব্রাহ্মণ ঠাকুর।

রত্না:— চংলু মুটিয়া (ইন্দুন চংহনথিব) হা: হা: হা:।

(ময়োম পাইঙুন চংথিব)

লাইট

১—৫

তমশা নদী মপাল, নারদ মুণি॥

নারদঃ—ঐ অমুক থল্লরোই, আশা পূন্নমক মাঙখ্রে! মী ওইনা পোক্লবদি অরাবগী মহৈ শোয়দনা চাবা তাই। চিক্লবা বনা অসিদ ঐগী পোথাকম ওইরগে। মহৈ অসি ঐ চারগে। (উহৈ লৌথোকতুনা চাগে তৌব)

(অচম অতাংগী মওংদ শ্রীনরায়ণ)

নরায়ণঃ—ওঃ! বাবা শনগ চংখূব উত্রা?

নারদঃ—উদে নিপামচা।

নরায়ণঃ—অদু ওইরবদি মকম অসিদ ঐগী লৌথিনি (কও)

নারদঃ—অচিকপ মীনা কৌরব মকম অসিদ অতাং নজন্ কবিগী কমথুনা লৈগনি।

নরায়ণঃ-ঐ কবিগী কীদে অচা অথক

খ্রাউরবদি খর পুখোরকই চামিন্নসি ।

নারদঃ— পূক্লিং অমুক মুংঙাইতন লৈরিবৈসিদ চাবগী বা অমুক পনলকই ?

নরায়ণঃ-নহাক্ল চাগে তৌরব ংসাইগী উহৈ অহু পীয়ু।

নারদঃ—অচ্ছা নও খরদং পিজগনি ।

নরায়ণঃ—ঙসি ঐ অতিথিনি, নঙগী লৈজব পুন্নমক পীজহুন, ঐবু পেনহল্লু

নারদঃ—ভগবান, নংাইগী অরাবসি উবিত্রব্র প্রভো ।(অঙাংদ) নিপামচা উহৈ অসি চারগনু । মসি হু পাম্বীগী মহৈনি ।

নারায়ণঃ— তুমহু: খজিক্ত পীজো য়ায় চারোই ।

নারদঃ—অমুক হয় হারগনু নিপামচ ...।

নরায়ণঃ- কয়াদ কোনম চাউরব অহলনো, হাওয়ব উহৈ অসি পীজনিঙদতন তৌরিবনি । নহাকী নচা নত ওইরবদি খরদংদ ওইরবসু পীজগদবনি ।

নারদঃ—নত্তে, নত্তে, নিপামচা ঐগী রূপী অঙাং কনাবত্তা লৈজদে মীনব জগংকী মুংশিব ঐতোম্ব কবিমক চঙদে, কেংউ। উহৈ অসি খাজেংবে হু পাম্বীগী মহৈনি।

নরায়ণঃ-(খূক্তগী থুন মুল্লপ চাদন চেনখিব।)

নারদঃ—(কীংন) মাঙলে, মাঙলে, নিপামচা উহৈ অহু হুনি চাক্লগন্ন ঐ মহাপাপকী খবক তৌরে অঙাং অহু শিব ভারে ।

নারদঃ—ভগবান, নারদবু অমুক ভাকপীয়ু ।

নরায়ণঃ- (নেপথ্যোঃ মখুংদগী) বাপন্থু নারদ, ঐন নহাকপু তাকপিরবনি তমশা নদী মপান্দ ঐবু উব ফংগনি, মরম অদু তাম লাকউ।

নারদঃ—(নোক্লুনা) হে ছলনাময়। হরি। খুংজবে নহাকী লীলানি

নরায়ণ—নরায়ণ।
মীনম অপঙ্ক হরিন শাররি,
রাগী মুরলী লোয়ন পাম্বু কোকপিরি।
অমাব ফুংঙাইব নঙগী কুমৈনি।
পাপ পুন্য নঙন খিনবনি।
নহাক্তি ভক্তগী চারব মরুপনি।
পাপী কয়াবু নঙন লানথোরি॥

লাইট

১—৬

(শুকলব বন -অবাব মওংদ সবিতা দেবী)

সবিতাঃ-(কপ্প কপ্প) কদায়দ চৎলগ ঈংগনি , চংলো পূক্লিং নঙন পুগদব কদায়দনো ? ঐগী থুংশিজরব ইপা অমত্তং লৈরজব অত্তম্ব দস্যু রত্নাকরগী মথুক্ত প্রাণ থাদ্রব । বাবা ঠাকুর । বাবা চঙজফম লৈত্রবী সবিতাবু কনাগ লৈগৌ হায়বগে ? ইমা বসুন্ধরাসতি । নঙন চুম্ব্য কাংবুবু মওয়াক্ত কোল্লুন থমই । লাইবক থীবী সাবিতা নহাক্কা চঙজকম লৈত্রে । ননাইগী অরাবসি য়েংছন পেনবিরো ভগবান ।

ঈশৈ

ঊরমোই অমুক হয়
ঐগী থুংশিরব ইপাদো,
তাইবং মাংম লানথরে
নিঙশিংব লৈহন চৎথরে,
থিবম্ব কংলয়োই ঐন
কৌজবম্ব তায়মোই ঐন ।

(লোয় দুস্য অনি চংলকপ)

১ দস্যুঃ-আরে ভৈয়া ফজরবী মুপী অম লৈরে ।

২ দস্যুঃ- বাবরে অমুক ফজবদি অমুক্ত উথিত্রি লাও নাহ্মোকহনথিব য়াদে, মতুংদ অমুক কংলরোই । (থর থর চঙশিনব)

১ দস্যুঃ ফজরবী ইবেম্মা । ঐখোয়গ লোয়নন চংলসি ।

সবিতাঃ-নখোয় কনা কনানো ? ঐগী ইনাক্তচংশিল্লকনু । ঐদি লাইবক থিরবী মুপী অমনি, চৎলো নখোয় মকম অসিদ লাকনু ।

২ দস্যু- ইবেম্ম, নঙবু থাদোকতুন চৎপ ঙমলোই । ঐখোয়গী থরাই অসি নঙোন্দ কংথোকচরে । আরে ভৈয়া — ।

(মীৎ থৎনরগ থর থর চঙশিন্দুন কাপে তৌব)

সবিত :-(ফিংন) ঐবু পোকনু ! থাপ্ন চৎখ্রো হইগী কাংবু ।

১ দস্যুঃ-(মথুৎ পাইন্দুন চিংব) শক ফজবী ইবেম্ম ঐখোয়গী য়ুমদ পুংঙাইন লৈরুসি ।

সবিতাঃ থাথোকউ । থাদোকউ হইগী কাংবু । (লাকব)

২ দস্যুঃ (মথৎ পুনব) থংলত্র মুপী ! (অনিমক নোকপ)

হাঃ হাঃ হাঃ নঙন করি তৌব ঙমগনি ।

সবিতাঃ- ভগবান অসিগুদ অত্যাচারসি কনবিব ঙমত্রব্র ?

২ দস্যুঃ-শেন থুমউ (ছুরি শংপ) উত্র ছুরি অসি । নহাকপু কনান কনবীগনি ।

সবিতাঃ থরাই পাম্মুব মুপী নত্তে, থিল্লু ঐগী থবাক অসিদ থিল্লু ।

(চোংশিনব)

১বা দস্যু: লমহেনগনু সুপী।

সবিতা: মীনুংশি থংত্রব চইগী কাংবু করিগী লেপতুন লৈরি
ছুরি অতুন থিল্লু অশিব হকচাংসি লোজহৌ।

২বা দস্যু: সুপী অসিদ হাংতোকলগ লোররে।

(ছুরিন থিনগে তোব

(নেপথ্যদগী রত্নাকর লাউরকপ)

রত্নাকর: কীগনু! কীগনু ঐ লাক্লে

দস্যু ২: (মাইকৈ য়েংদুনা চেনগদবগী থৌরাং)

দস্যু ২: [চেন্সিন্নকতুন] হাংলু মসি।
(অমন ছুরিন থিনগে তৌরিকৈ. অতোপ্প অমন খোংপাক থাদংতুন) নাইথাইদুন হাংলু। (বাহৈগী মতুং ইন্ন অমন অমদ হায়নব)

রত্নাকর: ভাইখো — (চেনশিনলকপ)

২বা দস্যু: সর্দ্দারজী লাক্লে, (চেনগে তোব)

রত্নাকর: হৌজিক সর্দ্দার লাকলে, (সবিতাদ) সুপী অমা বাহ্-রিবসি কনানো? (য়ান্ন তপ্প কৈপন্দ য়োন থাংহনব অমসুং তপ্প তপ্প নানবীব) হৈঃ নখোয় কীশিং থর লোক চৎলো, হল্লকত্রবদি হাংকনি চৎলো — ।

দস্যু ২: (য়ান্ন কীন য়েংনরগ) স-র্দ্দারজী — (চংখিব)

রত্নাঃ— কনাগী রমনীনো ? কন্নাদ হান খাংলমনব। (তু চুংব অমন্থং অঙকপ হাঙাং) ইস— ঐন তু চুংদিব করিগীনো ঐগী থম্মোয়দ অঙকপ মূর্ত্তি অম কাওরে মসি লাইরেম্বীগী মূর্ত্তিনি। অঙকপনি। ফজরবী চুপীমচা নহাক কনানো (হয় য়েংহুন) ঈশিং—ঈশিং।

২ দস্যু (উনাদ ঈশিং পুরকপ)

সর্দ্দারজী অসি পৌবীয়ু। (পীব,

রত্নাঃ— (ঈশিং থর থর পীথকপ মংকোক্ত থর হায়)
নহাক কনাগী রমনীনো ?

সবিতা—(ভয়) ভগবান লেংবিরক্লে খোঙ্গাল হৈব ইবুংঙো, নঙন দস্যুগী মথুক্কগী ঐগী খম্মবু ঙাকপিব, নহাক। থাঙ্গৈ শেংব লাইনি।

রত্নাঃ— দেবীজী। ন'ত্ত ঐ লাই নত্তে। ঐগী পরিচয় পিজ্রি- ঙৈগী মমাংদ দস্যু অনিগী শাস্তি হায় পিথিগনি। (দস্যু অনিদ) পরস্ত্রীদ অথাব মীয়েংন য়েংবগীদমক, নম্মিং ও প্রভু কোথোক্তে।

দস্যুশিংঃ- ঐখোয়বু অমুক্ত ঙাকপীয়ু।

রত্নাঃ— হাঃ হাঃ হাঃ ডাকু রত্নাকরম ঙসি কাওদ কনাবুসু ঙাকপিজ্রি। হৌজিক নখোয়গী শাস্তি কংলগনি। ছুরি) শক্তুন) ছুরিসি উরবরা ?

সবিতা—অমুক্ত ঙাইবিখো মখোয়বু অরাব পীবিরগদু। (কাব)

রত্নাঃ— দেবী করিগী ঐবু কাবি। (ইঙক ঙক য়েঙনব)

সবিতাঃ ইবুংঙো নহাক্কি থৌজাল হৈব মীনি। মথোয়বু কনবিয়ু অহুগ................ । (মুংশিন য়েংব),

রত্নাঃ দেবী ঐদি থৌজাল হৈব মী নত্তে, মীহুৎশি থংঙ্গব দস্যুনি।

দস্যু ২ সর্দ্দারজী, ঐথোয়বু থাদোকপিরো, মচুংদ অসিগুব অমুক তৌজরয়োই।

রত্নাঃ ঐদি দয়া লৈতে, মুংশিব থংদে। হায়জৌ দেবীগী মকমদ হায়জো।

দস্যু ২ ইমা, ঐথোয়বু অমুক ভাকপিয়ু।

সবিতাঃ চৎলো দস্যু, ঈশ্বরন নংথোয়দ অক্কব প্রাখল পীব ওইসনু।

দস্যু ২ থৌজাল হৈবী ইমা... (চৎখিব)

রত্নাঃ চৎলো দেবী, নহাক্কী অরাব কোয়ে, মকম অসিদ দস্যু অমুক লাকলরোই। ঐ চৎলে...। (চৎকে তৌব)

সবিতাঃ থৌজাল হৈব ইবুংঙো, ঐবু থাদোকপীরম্নু (কাব)

রত্না চ্যেকাশনলু মুপী। ঐ অমুক তাররোই, নহাক্কী নথবার কনবীরে, নহাক য়াম্ন মুংভাইরে। ঐদি থৌজাল হৈত্তে, ঐগী ইথোদি মী হাৎপ, মীগী মপোৎ মুনব ভাকুনি। (চৎখিব)

সবিতাঃ (খঃ) ইপা হাৎপগী লমনদি, মাগী থম্মোয়দ মীহুৎশি থংহম্নব হোৎনব সবিতাগী ইথোনি। মত্তোঙ্গ থবাই কৎথরে, মাগী মনাক্ত চৎলগে, ইবুংঙো অমুক ভাইবীথো।

রত্নাঃ (নেঃ) দেবী ঐবু ভাকপীয়ু।

লাইট

রাজ পথ

গন্ধর্ব্ব বালা সোনামনি।

ঈৈছে

সেনামনিঃ

চঙজক্রম লৈতে ঐগী
কয়া কুইন বাগব।
ঋষি নারদগী শাপনি
লংনরবন ফংব মহৈনি: ।।
অঙোব শমলাংবু উবদ,
ঐন নোঙখি থোওইদন,
কল্লব ব্রহ্ম শাপ তৌবিথি ।

লাইবক থিব মরমন, মতম চুম্লদ অরাবদ ফংলি। দেব ঋষি নারদগী কল্লব ব্রহ্ম শাপ্ন মর্ত্তদ পোক্লরে। অরাবলি ঐগী পুন্সি, দস্যু রত্নাকরন চানবিব মওংদ চেংন কোন-বিব থুদক অহুমকদ শাপ মুক্তি ওইগনি হায়ন দেব ঋষিন তাকপিথি। কনগ্রেদ ব্রহ্ম শাপ, দেব ঋষি। পাপ চেংবা ননাইগী অরাব কোকহনবীরো।

(ঈচৈ অমুক হন্ন শকপ হৌগৎলকপদ. ডাইরিডৈদ)
করি হৌজিকী থোক্লেদ অদো !! মশক উদব মীগী থোক্লেদ। করি হায়রব ঐগী পাপ কোক্লগনি হায়রব।
(ভকুন লৈ)

(তর্কানন্দ মথোং শেকলি শেক লি চত্তলকপ)

তর্কানন্দঃ পৃথিবীগী মথা পোনব ডাক্লেনি, নিঙবন অম তৌবন অম মহুদি কত্তে। তৌপে নিঙলবদি থোং থুৎ চীন চপ মাংহনবনি। মরক অসিদ সর্ব্বনাশ হায়রবত্রন অমুক থায়েদ্রি। লূখ্রেদা, ভাইবংপান। চেকশিন্নব কান্দ শাস্ত্রন হায়রবদন মচুমলে।
"ন গর্চ্ছেৎ যুবতী নারী পুরতঃ রাজ যাজ্ঞিন" হায়রবদি "ইরাং পাখী হুপী যক্কার থুংব মীগী মমাংদ লেপবনু।" অসিনি কয়াদা কজঞ্রব শাস্ত্রগী যুক্তিনো। (হন্ন য়েংব) এঃ হায়রিবাসমক য়ান্ন নক্ক লৈরমলেদ— ইবেন্ম জগৎকী হ পাখী, নহাক্তি অসিদ করি তৌরি। জগৎ অসি নথোয়রতন লওতন্দ শান থুগাইব ভমই। করব থাথল থনলিবগে ?

সোনাঃ ব্রাহ্মণ থুরমজরি। ব্রাহ্মণ ঠাকুরদ ঐদি করিগু কত্তব তৌজাত্রি শাওবিগনু।

তর্কাঃ ঐ থোইদোকপ শাওজদেঃ মতা থোকউদন তৌবনি। তর্ক মতেকজমতং তৌনশি হায়রবর ?

সোনাঃ নত্তে। ঐ ব্রহ্মণগ লোয়নন তর্ক তৌব ঙমজরোই (চঙশিন্দুনা খোংদ) এঃ ব্রহ্মণগী খোংদ ঈ, য়াম্না পক্লে তিথং য়ুগ্রমালে। (খুৎন তৈথোকপ)

তর্কানন্দঃ য়ুক্তসল্লু ইবেম্ম, পায়গল্লু। (খর চৎথোকল্ল)

সোনাঃ ঠাকুর. ঐবু শত্তোনব জাংত পোকই হায়দুনা হজোররিব্রা?

তর্কাঃ নখোয়গুম্বা মুপীন তর্কানন্দ শোকপ য়ারোই চৎলো চৎলো। মায়া চংত্রিব দেহেনি। যক্ষমা রোগ পক্তি্‌ব হকচাংনি। (থর লাপ্প চেনব)

সোনাঃ ব্রহ্মণ অমুক্ত ভাইবীখো, করিগুম্ব অমত হন্নংচগে। (খুৎ তিংথোকতুনা থৎপ)

তর্কাঃ ঐ মল্লু তানব মতম লৈব পোৎ নত্তে।

(থর চৎপ. সোনান ফাব)

সোনাঃ ব্রহ্মণ ঐদি ঋষিগী শাপ ফংলব মুপীনি শাপ মুক্তি ওইনব লম্বী তাকপিরম্মু। (খুৎ তিংথোকতুনা থৎপ)

তর্কাঃ এঃ এঃ চংফা কায়েন অন্নম তৌদুনা অপংব কয়াদি ফারে, ইবেম্ম। হরিওঁ হরিওঁ (খুৎ লোয়দুনা) ঐবু অমুক্ত তাকপিয়ু। (লৈথোকতুনা চেনখিব)

সোনাঃ তাইবীখো ব্রহ্মণ। (তায়ব)

রত্নাঃ (উপাস অরাব মওংদ রত্নাকর চত্তলকপ) কায়দবগী কায়দব তাক্ত য়ুমদ চেং মুষ্টি অম ফাওব লৈত্তে। শোয়ব অহল অনিগী মত্তো য়েংব ঙমশিল্লক্তে। মখোয়গী মতিক চাব মচা নত্তবন, থা ৩গী মতুংদ মুখিং তয়ানি চরা শোয়দন

হেল্লে। ঐগী অয়াবসি কনানস্থ তাবিনিঙলোই। ব্রহ্মণগী ধর্ম্মদি বেদ তপ দান ভোব অমদি তাকপিহৈব, ঐগীদি কদায় হিংসা—। ফত্তব লমচৎ চেং খুন্না অমগীদমক নরহত্যা মীহাৎপ ইস ॥

ভৈরবঃ (চঙলকপ) খুরুমজরি। সর্দ্দারজী !

রত্নাঃ করি হায়নিংই ভৈরব ?

ভৈরবঃ প্রভো। খুৎলাই পায়ব লাশ্মী লিশিং অনি থুংলয়ে। ঐখোয় শোয়দন কায়ব তারে।

রত্নাঃ লুচিংব বনানো খংব্রা ?

ভৈরবঃ শঙ্কুগী নিংথৌ রতনদাসগী সেনাপতি বীরবল সহকারী যোধসিং অমগুং নিংথৌ মশামকস্থ য়াউরকই।

রত্নাঃ আচ্ছা চৎলে, ভৈরব করিস্থ চিন্তা লৈতে। ঐন মখোয়বু মাইথিব পীগনি, ঐগী অগুচর পূমমক লানগী শেম শাদুন লৈয়্ হায়য়ু—.

ভৈরবঃ শ্মসানদোগী মপানদ লাশ্মী পৈথরে হায়ন তাই।

রত্নাঃ ভৈরব করিগী কীরী, চৎলো। নিংথৌ অদুবু বন্দী শোয়দন পীগনি।

ভৈরবঃ জী–সর্দ্দার (প্রস্থান)

রত্নাঃ করিস্থ ওককম লৈতে, রত্নাকরগী অত্তায়িনি।

(চৎকে ভোব)

সোনাঃ (খৎপ)

অদুক্ত তাইবীখো লাইবক থিবীগী চঙরকম অমত্তদি পীবিয়ু—

রত্না: চেকশিল্লু ম্নুপী, লম্বী থাদোকউ।

সোনা: মহাপুরুষ। ঐগী থৱাইদি নহাক্কী মুনবিল্লে। থৱাইগী মবুংতো ননাইবু থাদোকপিগন্নু।

রত্না: (নাকোং মেন্নশিনব) ঐ অমুক তানিংল্লে, মকম অসিদগী লাপ্প চংল্লো ম্নুপী। রত্নাকর দস্যু ওইরবন্নু চেয়্যবন মুনিগী মচানি নখোয়গী ম্নুপী মীহৌব মী নত্তে। (চেনখিব)

সোনা: চংখ্রে—চংখে, অমুক তাইবীখো ইবুংতো......।

(তাম্নখিব)

লাইট

১—৮

জঙ্গল

ভৈরব: ঐসি মরুপকী থৌবিমল লমনশিংব ফুমিংনি রত্নাকর খুদোং থিব যাই। ঐখোয় পুন্নক চেকোশনগদবনি।

অমু: করম অমাব তারবগে সর্দ্দারজী রত্নাকরবু অমাব, শীবিনব হোৌজিক আসম কনা লৈরি।

ভৈরব: রত্নাকরগী চায়রব ভৈরবদাসনি হায়ব থাজত্রি।

অমু: থ'ৰৈ অহেবু ......।

ভৈরব: শক্তুনী নিংথৌ রতনদাসন লাশ্মী লিশিং অনি পুথন, সর্দ্দারবু কাব লাক্লে হায়ব পাউ তাত্রা।

অমু: হো। অহুদি য়ায় লুব যানিন।

ভৈরব: অচুন মাগীদমক নও চয় থবাই যাগদবনি।

অমু: শিংত্রি কাওব মাগী মতেং পাংগে অচুপ চায় থবাইদি থারে'ই।

ভৈরব: হা. হাঃ চংলু চংলু ঐখোয়না লাশ্মী পুথব চংসি।

অমু: ঐখোয় শোয়দন মঙ্গল ওইরগনি।

ভৈরবদাস: রায়া চোকশিনগদবনি। এ: রত্নাকর সর্দারস্ত সাক্রে।

রত্নাকর: (চংলকপ) পূক্লিং ক্ষ্যাথো হৌজিক কাওব নিংথৌ উরক্রি।

অনুচর: ঠাকুরজী। ঐখোয়দি যাম্ব ৰাক্লরেদ।

ভৈরব: সর্দারজী, থূদোং থিগনি হায়ব রাখল খনবীগনু। মঙল শোয়লম ওইগনি।

রত্ন: ঐনা অনুচরগী মতিলগী কংবা গাইদি, ভৈরবদাস মৃগয়া চংবি হয়িন ভাই।

ভৈরব: অদুদি হৌজিক ঐখোয়দি করি তৌগনি?

রত্না: মৃগয়া চংখি হায়বতদি, ঐবু কাগদবগী কন্না হৌংনরি, পুরক্ক চোকশিনদবনি।

অনুচর: [illegible] নিংথৌ [illegible] করম তৌন [illegible] গনি।

ভৈরব: নওবা [illegible] ওইহৌক্ল [illegible]

অনুচর: হেরা মথক খংলবদি করিগী রাজপদগী

রত্ন: কনাগ কোয়নন লাল তৌনবগী [illegible] নটি নীংই।

অনুচর: নিংথৌবে, শক্রুরামনে, [illegible] যথোয় অদুম অসিগনি।

ভৈরব: মুংঙাই, মুংঙাই, নত্তু কনাগা লানবা পাগনি।

অনুচব নিংথৌদি কী, রসুনদাসকা পাগে।

রত্নাকর: আচ্ছা অদু ভৈরবদ যাম্ব চোকশিনদু।

(চত্থক কহী ৰাণ)

(মধ্যাহ্ন চংখিব)

১—৯

তমশানদী মপাল।

সবিতাঃ (পূক্লিং হুংশিন) ঐগী চংজকম লৈত্রে, পূক্লিংগী য়া থঙ-বৌনব জগৎ অসিদ কনা অমত্ত লৈত্রে। লাইবক থিবী সবিতাগী অবাব লোয়ত্রি। মমা মপা লৈত্রবা মচান মতু শোনবদি ঐগুম্বী মীতন থংই। বাখলগী মথাপোন্ন হিংলিব মীওইব। নহাক্কী নশক অসি অঙকপন্নি। কনান নোকচুন্ন লৈ, ইস! মকম অসি ওচুথ বননি, শাহিং চাব কৈ নোংশান মীকুপ অসিমগী মঙুংদ থরাই মাওহনথিব য়াই। ইমাগী নাক্ত ওয়্র চংলগে।

(থর চংশিনব তমসানদীদ য়ায় ওজিন্দুন থুউ লৈতান কপ্প কপ্প)

ঈশৈ

পুকচেল তপলবী ইয়োং কাংলবী,
অমৃতব্ পূন্নিবী ইমা তমসানদী।
নঙন চংজকম পীবিয় ঐহাকপু,
য়ারবী সবিতানি লৌশিনবীয়ো ইমা।

(হিক হিক কওহুন)

পিন্নিবৈদে ইমায় থেংনজহৌয়ে

জান তাবব মতমদ ইপান্থ মাওথয়ে। ইমা। ইমা...
তমসানদী, নহাকী ঈংলব মতবাক্ত নচাবু অমুক্ত
লৌশিনবীয়ু। (থর থর ক্রমথথিব অমন্থং হুম্র য়েংলগ)
অনৌব উনারক্ত শাংলিবী লৈরাংশা, (মাইকৈ অম-
য়োমদ অমুক য়েংলগ) পীক্লব, বনগী উংকে পূম্রমক
অমদি মীচং মীথাই নাইব তাইবংপাল নখোর পূম্রমক
লৈহৌরো বিদায় [ঈশিংদ লুপথথিব]

নরায়ণঃ (অতাংগী মওংদ নরায়ণ থুং তিংথোকতুন থাম্ব)
সবিতা, সবিতা। আত্মাঘাটকী পাপ কাউরব্রা ?

সবিতাঃ (কিংন) নুপামচা নও কনানো ? ঐগীসি আত্মাঘাট নত্তে,
থাপ চঙলোই।

নরায়ণঃ (নোক্তুন) মতুপী খুদম পীয়ু।

সবিতাঃ তাইবং পান্দ পোক্লপ কত্তব থবক তৌব, নত্তব লমচং
চংপ অমদি বিশ্বাস ঘাটক তৌব মতুপী মহৈন মী নথিন
ভাংনব মীংচং থিব' অসিনচিংব মখোয় অতুপী থাপত্তি
আত্মাঘাটতগী হেন্ন চাউই। মসিদি আত্মাঘাট নত্তে,
শাস্তি থিন্নিবনি।

নরায়ণঃ নত্তে সবিতা। অরাবগী মতুং হুংতাইবন লোন্ন ইন্নি।
হুংতাইরবদি অরাবন্থ চংথি। অতুবু পুন্য কোই, অথংব
মীন মান তৌজব কত্তব থবকপু মথন্তু কত্তে থংজরক্লব
মতমদ, করিগী হুংতাইব্রোই। যোংনব বাংপদগী নিঙব

কাইরে, হায়রুন, মথক্ত থরাই থাগে হোৎনরিব মথোম
অহুবু জগৎন পণ্ডই হায়রুন নোকনৈ।
অহুবু আত্মাঘাট কৌই। নিঙব কাইগনু চামরক হুম
হোৎনৌ। ঐ চৎলে। (চৎখিব)

সবিতাঃ নিপামচা অমুক্ত ঙাইখো, (য়েংরুন লৈহৌব মঃ) নিপা
মচা অহুগী থুম্লব য়াঙাং, মহাক ঐগী পূক্নিং লোয়ন থংলব
তাই, কয়াদ ফজপ্রব, মহাকী প্রমাণসে। অচুম ওইরিগদ্র ?

নেপথ্যেঃ—

নরায়ণঃ ঐন শিন্দুন লোয়রে
পূম্নমক অচুমনি।

সবিতাঃ (যুম্ন তারগ মোমোং নোক্লুন লৈ)

নরায়ণঃ (থোরক্লন)

নঙন নিঙব থুংলনি,
বাপম্ন সবিতা।

(মথুং পাইহুন চিংব)

সবিতাঃ (হয়াউন থুংলোম্নহুন থুকম্ব)
ভগবন পংলবা ননাইন মঙ্গল নিজরি।

নরায়ণঃ (থুং ভিংথোক্লুন অশিবমুদ্রা, অমমুং চংখিম)

সবিতাঃ ইমাংদ লেম্নব মূর্ত্তি অদো মাঙখরে। প্রভো, ননাইবু
থাদোকপিগনু! (তাম্নখিব)

লাইট

১—১০

লক্ষী

রত্নদাসঃ (অরাব মওংদ) মীওইবগী রাথস অমুক লোইব নাইদে, অফ-ফত্ত রাংলন পীক থল্লে। নোংম ফজরবা ফুগীমচা অমন অরাব মওংদ চংজরকপ মচুন কনাদো, মঙাকী মাইথোংগী মংাল মচুন হৌজিক কাওব পুক্নিং হুংঙ্‌ইরি। পুন্নমকসিন্না মথক্ত ঐগী লান্মীগ লোয়নন জয় পরাজয় লাক্লি, কয়াদ ভকপ্রব মীওইবগী পুক্নিং। ইস অঙ্ককপবনিদ।

(উদাস ওৌফম থংদব)

(সন্ন্যাসী ১ চঙলকপ)

সন্ন্যাসীঃ নিঙব কায়গন্নু কাংগী রারিব;
পুক্ন নঙাদ অমপ্ল সৈত্তে।
অচুম্ব লক্ষীদ নঙন চংশিল্লু
ওোগে নিঙব রাশক চেৎলু।

(চংখিন)

রতনদাসঃ (মুন্ন তারগ) অরেপ্প লৈতব পুক্লিং। তৌগে নিঙব
রাশক চেৎন হোংনৌ হায়ব!! এঃ শোরদস্রু মী অব
লাক্লে।

তর্কানন্দঃ (চঞ্চলকপ)

রতনদাসঃ ব্রাহ্মণ খুরুমজরি।

তর্কানন্দঃ এ, এঃ নমস্কার নম·স্কার।
(খুদোঙ্গী থিন্দুন) সনাগী টোপী অম উপ্তুন অঙ্গদ
অসিদ ন্যায় শাস্ত্রন যাদব থবক তৌরিব যাদুকর, নহাকপু
কনানো?

রতনদাসঃ ঐ যাদু তোব মী নত্তে, লৈবাক্কী মঙ্গল খাব নিপা
অমনি।

তর্কানন্দঃ টোপী অদু লৌখোকউ, তাকু রত্নাকর উরবদি নথরাই
মাঙব তারে।

রতনদাসঃ থরাই থাব কীব মী নত্তে।

তর্কানন্দঃ পণ্ডদি, পণ্ডই হায়রবু, রাতা অমত্তংদি হাইকেং মপাল্লি।

রতনঃ খোঙইদব উত্তুন ঐবু নোক্লরি।

তর্কাঃ নোক্লব নত্তে, মহাশয় অচুম্বত হায়জবনি। লম অসি তাকু
কল্লি, চেকশিল্লু।

রতনদাসঃ চুম্মী ব্রাহ্মণ ঠাকুর মফম অসি বন্দ্যশিংগী লৈফমনি
হায়ব তাই। অদুবু ঐগী অরাবসি অমুক কোকহল্লু।
ঈশিং পীরকউ।

তর্কানন্দঃ "প্রাণ বিয়োগ ফলক ব্যাপারোহি মৃত্যুঃ
মসি শিকমনি। কৈ ঐ হৌজিক ঈশিং লৌরুগনি।

রতনদাসঃ ঠাকুর য়াম্ন থুন— খোরাংবন থাংব ওমজে। (হিপথব)

তর্কাঃ ঐ চৎলে জয় গুরু জয় গুরু (চেনখিব)

(লাম্মী অম চংলকপ)

মহারাজগী জয় ওইশনু। করিনো তৌবিরিবসি মহারাজ।

রতনঃ করাবো ঐ হৌগংপ ওমজে।

লাম্মীঃ মহারাজ। ননাইনি। মতম অমুক কুইবসি মহারাজগী চেং চাঙন থরাই হিংজরকপনি। অরাব তাগদৌরব মতম অসিদ মহারাজবু থাদোকপ তমজরোই।

রতনঃ করি! করম অরাব অমুক লাকদৌরিব।

লাম্মীঃ [হুংশিন] মহারাজ, সেনাপতি বীরবলন মহারাজবু হাৎ-কদবগী সহকারী সেনাপতি বোধসিংহগ রা তাররি।

রতনঃ লাম্মী, নত্ত তাউরে। ঐগী হুংশিরব বীরবলন কৈদৌউদনা হাৎলোই।

লাম্মীঃ ননাইন হৃদকচরিব অসি অচুম তাক্তনি।

রতনঃ নত্তে, নত্তন হায়রিব পুন্নমক মতগী রা তাক্তনি।

লাম্মীঃ থাজবীয়ু মহারাজ। মথোয়ম তাওনব ইনাম তাজরক্লে।

[সেবা তৌব]

রতনঃ ঐ ঈশিং খোরাংবন থাংব ওমজে, [থর মণী হোমব]

লাম্মীঃ [কিংন মহারাজ, সেনাপতি লাকপ উরে চোকশিনবীয়ু।

(কপ্লিং কপ্লিং ঙাংব) খুৎলাই পাইবিয়ু লেংখৎলো।

ঐশু মহারাজগী মাঙদ প্রাণ থাজরগে মহারাজ।

রত্নদাসঃ (রাগ রান) লাম্মী, তপথো... ঈশিং, ঈশিং...

(স্বর মপী হোনব)

লাম্মীঃ (ফিংন) মহারাজ মমশিল্লক্লে। (রাব) হৌজিক করি তৌগনি।

(লাম্মী অনিগ লোয়নন বীরবল চঙলকপ)

বীরবলঃ লাম্মীশা, চোকশিল্লু, নিংথো অসিদ লৈরে।

রত্নদাসঃ কনানো বীরবল, লাও চঙলকউ। ঐ হোৗংগ ঙমক্রে, হকচাং অসে চোকথরে চঙলকউ লাউ কাদগী লেপ্পুন লৈরি।

বীরবলঃ ঐন নিঙলিবাস হায়দোক্লবাদ মহারাজ। থদোই রাগনি। হৌজিক ঐ অচোব কম পাম্মী। মহারাজগী মমল য়াম্ন লব পুন্সি ঙসি মাঙব তারে।

রতনঃ (শাউনিংবদগী থরহোগংতুন) বীরবল— বীরবল, করি হায়ব নঙবু লানগী দবক্ত ইহৈ হৈরমদবদগী নথুং পাইতুন, লক্লং ভেনগী বিদ্যা ঙম্মাখিব, য়েক্লবগী মথুক্তগী থদোই কয়নব থাংগী বিদ্যা তম্মীরগ হৌজিক ঐবু হাংকে থৌরাংলিব। নহাক বিশ্বাস ঘাটক, নরকী ভাগনি।

লাম্মীঃ মহারাজ, ঐবু থাজবীদবদো হৌজিক্তী থংবীরেদন।

বীরবলঃ হৈ নঙ কনানো, করি রা ফাগরি। ঐবু থংত্রা ?

লাম্মীঃ চোকশিন্নু বিশ্বাঘাটক, পাজল খোন্নবস্থ মী অমনি।
নগুণ্ড শা নত্তে।

বীরবলঃ হৈ লাম্মীশা চিস্থিবসে পুঙ্গ।

রত্নদাসঃ (হৌগৎজুন) ভাইখো বীরবল, ঐবু হাৎলগ নহাক···

বীরবলঃ শক্কুরাজ্যগী সিংহাসন অসি ঐগী অধিকার ওইরগনি।

রত্নদাসঃ অস্তুগর বীরবল, মীকুপ অসিমগী মহুৎদ ঐগী রাজ্য
খণ্ড পুন্নমক নঙোন্দ পীখোক। অদুগী মথক্তা সে রাজকুমুট
অসিন্ন লৌ।

বীরবলঃ নত্তে ঐ মতু পামদে' পাম্বোরগী পাজলজন শক্কুরাজ
খুতুম চনগনি। ঐ লাল তৌগনি খুৎলায় পাইদু। থরাই
হিংরব হোৎনজৌ। (থাং শৎপ)

রত্নদাসঃ বীরবল, নহাক লাল তৌব পামলে?

বীরমবঃ ঐ অমুক তাররোই চোকশিন্নু। (থাংন রাম্বরকথদ
লাম্মীন নারোন্দ চোংশিন্দুন কাউব)

বীরবলঃ ওঃ (লোংন হায়র্থখিব) লাম্মীশা, করি য়েংজুন লৈরি।

রত্নদাসঃ খণ্ডলবরা পাপী। (নখ)

লাম্মী ২ঃ (হোৎচিনগে তৌব)

নিংথৌগী লাম্মীঃ চোকশিন্নু বিশ্বাসঘাটকী কাংবু।
(থাং শৎপ)

রত্নদাসঃ হৈ হুইগী কাংবু।

লাম্মী ২ঃ (চেনখিব)

রতনদাসঃ বীরবল, নহাক সিংহাসন নিঙশিঙলিত্র (মথুং পাই-
শিল্লগ, নামন মথবাক্ত থাংন থিনগে তৌব)

লাম্মীঃ থাদোকপীগন্নু মহারাজ মিংকুপ অসিমগী মঙ্গুংদ মথরাই
লৌবীয়ু।

রতনদাসঃ লাম্মী, ইশান থাজব পাম্বীবু কত্তব মহৈ য়াম্লি হায়রুন
হেক ককথংপ হৌনদে । বীরবল, নত্ত হৌজিক করি
থল্লি, নিশ্বাসঘাটকী থবক তৌরবগু হন্দকমুক্তি য়েংবীরগে
চৎলো। ঈশিং থজিক্ত পী, লাম্মী। (কয়থবিব)

বীরবলঃ (মক্ক লুক্কা থর থর হন্দোকপ) মহারাজ ঐবু অমুক
থাদোকলে। (হয় য়েংহুন) .লাম্মীশা। নথোয় কদায়দ
লৈ নিংথৌ অসি পুল্ল।

লাম্মী ২ঃ (থুন চ্যেনশিন্নকূন নিংথৌ কাব অমঙ্গুং ফুব

বীরবলঃ (হায়গী লাম্মীদ) মপু নিত্তব হুই নথরাই থাব তায়েদো।

নিংথৌ লাম্মীঃ ঐগী থরাই থাজ্রিবৈত্তদ মহারাজগী হকচাং শোক-
দবা কনানো ?

রতনদাসঃ বীরবল ঐ ক্ষেত্রীয়নি ধর্ম্ম যুদ্ধ পাম্মী নহাকপু করিন্নু
কীদে, হৌজিক ঈশিং থজিক্তং থরুবদি নত্তত্তম চামগ
লাম পাব তমগনি।

তর্কানন্দঃ মহাশয়। ঈশিং লৈয়ে। (চংশিনব)

বীরবলঃ কৈ কনানো।

তর্কনন্দঃ ঐ ব্রাহ্মণনি ।

বীরবলঃ মকম অসিদ লাকপদি নথরাই থাগেরা?

তর্কানন্দঃ ঐ থরাই থাদ লাকপা নত্তে, নিপা অসিবু ঈশিং পীথকপ লাকপনি ।

বীরঃ ঈশিং পীথকপ য়াদে।

তর্কাঃ করিগী য়াদনি, অরাব তারব মীবু কনবিব হৌবৈ, ঐখ্র উরে, নহাক্ক ফাব্রব বন্দীনি, মহাক্ক করি তৌব শুমগনি। ঈশিং খজিক্ত'দ পীথকচগে।

বীরঃ কৈ পীথকউ, পীথকউ শিগদবস্ত্র শুহাক্ত মঙাইরে।

তর্কাঃ মহারাজ ঈশিং অসি থকপীয়ু ঐদি চৎলগে (পীথকপ)

রতনদাসঃ ব্রাহ্মণ নহাক মইহে ফংউ।

লাম্মী ২ঃ থুনা চৎখ্রো বামোন।

বীরবলঃ হৈ থুন চৎখ্রো বামোন...

তর্কাঃ এঃ চৎচরে (বীরবলগী মফুংদগী মঙকশম লাক্তুনা ইনব বীরবল উপ্প তুব তর্কানন্দ কয় চেনথিব)

লাম্মী ২ঃ বামোন অসি ফাও। (তাব্রগে তৌব)

রতনদাসঃ (থুন হৌগৎলুন) হৈ পাপী।

বীরবলঃ থাংউ মহারাজ, ওসি নথরাই থারগদবনি। (নব) লাম্মীশা য়েংউ লাউ। (ময়াম চঙথুন ফাব)

রতনদাসঃ শঙ্করদেব, নহাক্কী সেবা মতোন লোমলমক্রে, রাণি, রাণি করুনা, গভর্গী অঙাংন নিপা ওইরবদি লমন থুম-হনলংকউ। বীরবল, নঙম তৌনিংব পূরমক তৌবা য়ারে।

লাম্মী ২: (চিংহুন পুশিনব) চৎলু।

নিংথৌ লাম্মী: মহারাজ উপায় তৌব ঙমজদ্রে।

বীরবল: হৈ কাপুরুষ, নঙদি মচেৎ মচেৎ লেন্দুন হাৎকনি।
(থাং শৎলগ) মহারাজ, বাগমু লৈবাক ঐন ঙাকহৌ-
গনি করুনাময়ীন মহারাণী অদুম ঙৌহনগনি। জয় মাতা
দুর্গা... । (থাং হাইগৎপ)

রত্নাকর: (থুন চেনশিল্লক্তুন) হৈ কাপুরুষ. (কাউথুব) হুইগী
কাংবু। থংলত্র ? (মখোরি মেৎপ)

বীরবল: (শর ফিংহুন) আ:...আ:...আ:

রত্নাকর (হন্ন য়েংহুন) হে পাপী নখোয় লৈয়ম্মু। (মতাম
চেনখিব বীরবল উম পুনব) নহাকৌ নথলাইদি কুম্মৈ
তৌহুন হাৎকনি।

নিংথৌ লাম্মী: অদুন ঐখোয়গী নিংথৌনি, মদুন রাজবীদ্রোহী
সেনাপতিনি।

রত্নাকর: [নিংথৌগী পুক্কিব থাদোকপ]

বীরবল: [নাম্বোকদুন চেনখিব]

লাম্মী: চেনখ্রে চেনখ্রে।

রত্নাকর: হা: হা: হা: চেং খিসমু চেনখিসমু ঙসিদগি মান হিংগ-
দবা, নিংথৌ অসিদি রায় রাম উরে. মতা তারর্কদ
মথবাইমক মাঙব তাই হৌজিক ঐন লাইরেংগনি।
[পোক্কুন পুখিব] মহারাণীদ লোয় শাউ পুরবক

তম্মু চৎলো। মী অমত্তু ভাহনব য়াদে।

লাম্মীঃ নহাক্কী থোঙাংলনি।

[পুম্নমক চংখিব]

লাইট

১—১১

করুনাময়ীঃ [থরাই য়ান]

ঙাসি ঐগী হকচাং অসিদ অমঙ্গলগী থুদম্ম তোরন থোক-লিব, পুক্নিং অসি তথক ভথকই। মহারাজ কারণভব অমঙ্গল থোক্লিগনি। হে শঙ্কর ভগবান। চিঙনব পুক্নিংগী শান্ত পীনবীয়ু।

সন্ন্যাসীঃ ঈশৈ

চিংনব পুক্নিংনা মীওইববু লংক্লি।
নীনঙ্গনি পুম্নমক করিগী বারি
মায়াগী লাংদা মীনম্ম মপোক্ত
অদা খুংঙাই ভত্তুম ফংগনি
থাউ অরাব ফংগনি খুঙাইব
আশাগী লোয়নবী শান্তিগী লাকনি

করুনাময়ীঃ বাবা ঠাকুর পাউতাক্ন থল্লব ঈছৈ অহু তারগ ঐগী অরাবসি কোকথিবগুম তৌই।

সন্ন্যাসীঃ রাজমহিষী। নহাক্কা মাইথোং মকা লাম্ন উদে, পুক্নিংদ করম্ব চাউনব লৈবগে, স্বামীগীদমক্ত রাবর নত্রগ কনাগীদমক্ত রাবগে।

করুনাময়ীঃ সন্ন্যাসী নহাক ঐগী পুক্নিংগী অরাব লোয়ন থংব-গুম তৌই।

সন্ন্যাসীঃ থংই নহাক নপুরোইবগীদমক্ত রাহুন চিন্তা তৌরিবনি। নহাক সতীগী থুদম লৈ। স্বামীগীদমক্ত করিমত্ত রা-গম্লু। মত্তব থোকলোই ঈশ্বরন মতম পুন্নমক্ত তাকপি-গনি। (থোকখি)

লাইট

১—১২

রাজ মুকুট পুড়ন বীরবল চওলকপ

বীরবলঃ (খুরুম্ব) মহারাণাজা অমদি প্রধান মন্ত্রি। ওসিদি হায়-দোকপ্ন ওমলোইদব পাউ অম পুহন লাকচরি।

করুনাঃ চিংনব লৈতন হায়য়ু সেনাপতি।

বীরবলঃ (য়াম্ন য়ান) অয়াবনি ইমা। শক্ষুরাজ্যপতি মহারাজ কংত্রব দশ্ন্যগী খুত্ত প্রাণ থাথরে।

মন্ত্রীঃ (কপ্ন) করি হায়ব বীরবল !! পুয়মক মাওলে, সর্ব্বনাশ মতম চানন মন্ত্রিগী কোক্ত বজ্র তাররে। সংসারসি থাদোকক্ষুন অরোইব খোংচৎত লেঙগ্রব মহারাজ। বিধাতা খোঙ্গাল হৈতেদ নহাক অসে। ইস লৈবাক অসি মাওব তারে।

করুনাঃ তপথবীয়ু মন্ত্রিবর। পূর্ক্লিং কিংগৎপিগনু অয়াব তারবদি পূর্ক্লিং অচুপকী মতিক তপথগদবনি। সেনাপতি বীরবল মহারাজ শিব মতমদ নহাক উনহৌজ্রা ?

বীরবলঃ উনজহৌই রাণীমা, খোদোক অচুম্ন ইমাংমতন্দ খোকথি।

থা। অমা চুপ্প লাম্বীগ লোয়নন দস্যুবু থিবদ কংথিদে। অয়াবনি, তমসা নদীগী মপান্দ নোংম পোখারিগৈদ ডাকু রত্নাকর লোয় চেংশিল্লকনুন মুখশম থারয়গ নোং-থাংদগী হেয় য়াংন চেনখে। অয়াবনি য়াণিবা অচুগী মতুংদগীদি.........।

মন্ত্রীঃ (শাওন) মতম অদুদ নঙদি কয়ি তৌহন লৈহোই। নহাক মতিক চাদব সেনাপতিনি......। হুইদগী হেয় পঙই।

বীরবলঃ অমুক্ত তাবীথো মন্ত্রীবর।

মন্ত্রীঃ তানিংদে নহাক শানি। মহিষী ঐ নচা ইবুংঙোগী মনাক চংলে।

কল্পনাঃ ভাইথো মন্ত্রি, হায়য়ু বীরবল মহারাজ শিঙ্গিবৈদ করি করি হায়রমই।

বীরবলঃ দেবীজী। মতম অদুদ ঐহাক থবাই য়াওন সেবা তৌবৈ ঈশিং খোয়াংবন মহারাজগী অয়াব অম ওইথি। পূয়মক ঐন নিঙং থুংনব হোংনজখি। মহারাজন মীং উইশিল্লি-বৈদ ঐবু খুংশিব য়াথংন তাকপীরমই। "বীরবল রাজ-মুকুট অসি লৌ অদুগ রাজ্য ভার পুহো হায়রমই।" মতম অদুদ য়েক্লব চংদনব লৈবাক ভাকহোগে হায়দুন য়াশকতুন রাজমুকুট অসি লৌখহোই। হৌজিক নয়াথং লৈরবদি অমদি নচা ইবুংঙোনা চাওক্লিকাওব দেশ মক্কা তৌজগে।

মন্ত্রীঃ মহাক্ন দেশ রক্ষা তৌব মতিক চাগোই।

বীরবলঃ মন্ত্রীজী ঐবু থাজবীয়ু।

কল্পনাঃ ভাইখো মন্ত্রীবর, বীরবল মহারাজী নিয়ম পুরমক লোই-
থ্রেদন ।

বীরবলঃ লোইথে রাণিজী তৌবগী মশক ওইরবা তমসানদাগী
মপান্দ মহারাজগী সংস্কারনচিংব মন্ত্রোল লোমথি।

কল্পনাঃ করে হৌজিক লৈবাক ভাক্সবগী থবক নহাক্ন পুরগনি।

মন্ত্রীঃ করি হানো মহারাণী, হুংশিব মশক থংত্রবা ওকবা
হুপীগুম থম্মোয় অচুক কনবদি। থুদক অসিদ রাজ
অভিষেক পাম্মলিব।

কল্পনাঃ হোথ্রব থবকীদমক্ত হাক্সদন কারদে, হৌজিক নিংথৌ
পানব লৈবাক ওইহন্দুন য়েক্সবন লাম্বাকপ ওমদনব
হায় হোংনখো। নত্রবদি অরাবগী মথক্ত অমুক হেন
হাব হাই নত্রা মন্ত্রী?

মন্ত্রীঃ চুম্মী রাণি অচুবু... ।

কল্পনাঃ চাংনগনু মন্ত্রী, ঐগী হুংশিরব প্রজাগী হুংভাইনবত
হোৎনবন মহামঙ্গলগী মশকনি। হৌজিক লৈবাক ভাক
নব বীরবলবু অভিষেক তৌরগনি। (সয়লে) চুম্মী,
হৌজিক নিংথৌ লৈত্রে অচুগ কম্বাহদ লাংলিব
মূর্তি অসিদি মাওব লৈত্রি। লেনব মূর্তি
অসিদি ঐগী থামোগ অমতনি- মহাকী লাংব মতম
ঐ করিগুম থবক থবক তৌরোই, ঐ হৌজিক করিগত

য়াদে। বীরবল, অমদি প্রধান মন্ত্রী মখোয় অনিন অপায় মওংদ লৈবাকী মঙ্গল ওইননব হোৎনৌ।

(চৎখিব)

মন্ত্রীঃ বীরবল, হৌজিক্কি, লৈবাক চাকপগী থবক পুম হৌরনবনি।

বীরবলঃ থংজরে মন্ত্রীজী।

মন্ত্রীঃ বীরবল' ঐ মন্ত্রনা অসি তানিংল্রে। নত্তে, মতম অসিগী রাজনীতি তাবস্থ পামল্রে। মন্ত্রীগী কম থারগনি। রাজকোষতগী ঐগী ফংকম থোকপ শেল থর পৃহন তীর্থ চৎলগে নিঙলে, তসিমক যাত্র তৌরকলবনি।

বীরবলঃ রাজকোষতগী শেল লৈত্রে, ফংকমস্থ থোকল্রে।

মন্ত্রীঃ কঁয় হায়ব বীরবল, তসি কাওব প্রজাদগী নমথাক তৌহুন শেল লৌবদি হায়কস্থ ঐগী ফংকম থোকপ শেল শরুক্তগী তংখাই অম প্রজাগী কায়নব থমলিবনি। অছুপ বীরবল নহাক নাপল কারে, রাজকোষস্থ নহাকী নখুত্ত লৈরব হাঃ হাঃ তাবদ কন মুত্তাই। ভগবান, নহাকী মপাল নাইত্রব লালাগী মঙ্গংদ মখোয় অসিবু কায়রি।

বীরবলঃ অহল ওইরব মন্ত্রী! রাজাং থুদিংদ বাশকপ হয়ানবগী মতৌ মাল্লি. চৎল্রো তানিঙল্রে।

মন্ত্রীঃ মীনমমপ থাজনব বাশকপ হয়ানবদি নঙনি মূর্খ। হ পাম্বীগী নহৈবু অমৃতদি থল্লি।

বীরবলঃ চ্যেকশিল্ল মন্ত্রী, নাপল তৌন রাঙাংগন্থু।

মন্ত্রীঃ বীরবল, নহাক মন্নাই কারে।

বীরবলঃ মন্ত্রী, (থাং শত্তুন) থংত্র নহাকপু হাৎকে নিঙলি-বনি। (থাংন থিনব)

মন্ত্রীঃ উঃ (তুথব) অপঙব ঐবু হাৎ...লে নম্নকী তৌল। আঃ চৌজিক মহারাজ হিংলি।

বীরবলঃ নিঙব থুংলে ওসি অহিং অসিদ য়েক্লব পূম্নমক লোই-রপনি। (চৎথিব)

করুনাময়ীঃ (অত্তোম্ন নাকল অমদগী চঙলকপ)

মন্ত্রীবর তৌরিবসি করিনো?

মন্ত্রীঃ মা... করুনা নহাকস্থু চৎত্রো, বীরবল লাক্লবদি আঃ আঃ শক্তর, নঙা ইবুঙো পুন্থন উঃ (মৃত্যু)

করুনাময়ীঃ বীরবল, রাজবিদ্রোহী বীরবল, লমন থুব ওব ঐ লৈরি হায়বসি কাউরবর। লমন শোয়দন থূমগনি।

(থুন রাংন চৎথি)

লযূমবনিকা পতন

Half Screen

১—১৩

চ্যবন ঋষিগী আশ্রম

চ্যবনঃ ব্রাহ্মণী, ঐগী মগুদি অচুম ওইগনি।

ভদ্রাঃ নাথ, ঐখোয়গী উনাগী থাংপোকশং অসিদ বেদমাতা সরস্বতীন খোংদাবীরম্মী ঐগী মগু অসিদু অচুম ওইগনি।

চ্যবনঃ ব্রাহ্মণী, জ্যোতির্ময়ী বেদমাতাগী মুর্ত্তিন ঐগী থম্মোয়দু ভাক্সম্মী। পাপ পুন্নমক কোক্লগনি। থাজো ব্রাহ্মণী।

ভদ্রাঃ থৌজাল হৈব ভগবান মঙ্গল পীনবীয়ু। নাথ, হয়িগী চরণ কাউবিগনু।

(ঋষি কুমার ময়াম চঙলকপ)

অখণ্ড মণ্ডলাকারং ব্যাপ্তং যেন
চরাচরম। তৎ পদং দর্শিতং যেন
তস্মৈ শ্রীগুরবে নমঃ। (থুকম)

ঋষি কুমারঃ গুরুদেব ঐখোয় পুন্নমক চৎচয়ে।

(খুরুম্নগ চৎখিব)

চ্যবনঃ দেবী তয়ে। ওসিদি ঐনী পুক্লিং অসি মুংভাইবগী ভমথে

কৈত্রে' নরায়ণগী দয়া লাক্লে। শান্তিগী মশক ওইনা ঈংলে।

চ্যবনঃ

পুরুষসূক্তম

ওঁ সহস্রশীর্ষা পুরুষঃ, সহস্রাক্ষঃ সহস্রপাৎ।
স ভূমিং সর্ব্ব তাবৃত্বা অত্যতিষ্ঠদ্দশাঙ্গুলম ।।১
ওঁ ত্রিপাদূর্দ্ধ উদৈৎ পুরুষঃ, পাদোঽস্যহাভবৎ পুনঃ।
ততো বিষ্বঙ ব্যক্রাম, দশনানশনে অভি ।।২
ওঁ পুরুষ এবেদং সর্ব্ব যৎ ভূতং যচ্চ ভব্যং।
পাদোঽস্য সর্ব্বা ভূতানি ত্রিপাদস্যামৃতং দিবি ।।৩
ওঁ ওঁ ওঁ ········ ।।

(সবিতা চঙলকপা)

সবিতাঃ ইমা চঙক্রমম পাবয়ু।
ভদ্রাঃ ইমা নহাকপু কনানো ?
সবিতাঃ পিক্ক ইমা কাইনরবী চংক্রমম লৈত্রবী মুপী মচা অমনি। ঐগী ইমিং সকক্কা কৌই।
চ্যবনঃ আহা কণাদ মুংঙনরবা মাঙাংনো। ইমা নহাকী পরিচয় লোয়ন তাহল্লু।
সবিতাঃ পিতাঃ ননাইদি ৬ নং তোল্লবী মুপীমচা অমনী। ইপা অমতং লৈজরম্বা দগ্ধ হাৎখে। মতুংদা অঙাওবীগী মতৌঙম মফম খংদন চৎপদগী, অকিবগী মশক ওইরবা বন অমদা লম্মাংনতুনা লৈরিবৈদ কৎত্রব দস্যু কাওবু থরনা

ঐগী ধর্ম্ম মাংহনগে হোৎনবদ, নহাক্টী নচা ইবুঙোন ঐগী সতীত্বব্ রক্ষা তৌবিখি ইমা।

চ্যবনঃ করি হায়ব ভদ্রে, ঐগী রত্নাকরন কনবীরকই হায়ব।

ভদ্রাঃ নাথ......

চ্যবনঃ হায়রু ইমা অহুগী মতুংদদি—।

সবিতঃ পিতঃ ঐবু ঙাকপিয়ু, ঐগী থরাই হকচাং অসি নহাক্টী নচাদ কংপদ "পিতা চ্যবন মাতা ভদ্রাগী য়াথং নত্তন লৌশিনবীরোই হায়খি" য়রম অসিন ঋষি অমদি মাতা ভদ্রাগী চরন্দ চঙজরকইবনি। মাতা দেবী ঐগী চঙজফম পীনবীয়ু।

চ্যবনঃ কৈ, কয়াদ মুংশিরব য়ানো? লাউ ইমা ঙসিদগী হৌহুন ঐগী ইমৌ ওইরগনি ঐগী আশ্রমদ লৈয়ু দেবী!

ভদ্রাঃ (হরাওন) নাথ অমুক চিংনব লৈজদ্রে। লাও ইমা

(মথুং পাইদু চিংশিনব)

ঋষিকুমারঃ গুরুদেব! ঙসিদি পূজাগী লৈ হেকপ য়াদে।

চ্যবনঃ করিগী য়াদনি, কনান থিংই।

ঋষি কুমার ময়ামঃ কনানমু থিংদে, লৈশিংন কপ্পুন হায়রকই। খোইমু ইন্দ্রিবৈদ হেকপিগমু হায়রকই।

চ্যবনঃ কয়াদ মুংশিপ্রব য়ানো

রত্নাকরঃ (মহৈ মরোং থম পুরক্লুন মখোং মরাদ থমলগ থুরুম্)

ঈমা ভসিদি মহৈ মরোংদরক ভাইরে অপারাধ ভাকপীয়ু চাবন, ভত্রা পুত্রঃ (আর্শীব্বাদ পীব)

সবিতাঃ নাথ···

রত্নাকরঃ (গুরু) সবিতা...

লাইট

১—১৪

রাজ সভা।

নর্ত্তকীঃ (ঈশৈগ কোরন)

মুংশিব মায়থোংদ মোমোন নোক্তুন

পুক্নিংবু শুমহৎপ কাউব ভমজদে।

পরিষদঃ মুত্তাইরে মুত্তাইরে জগোই।

বীরবলঃ হেয় মুত্তাইরে মুভাইরে (মোমোন নোকতুন রিৎতা তৌব)

নর্ত্তকীঃ মীৎচিপী তেয় থাবদ কাইখরে। থম্মোয়,

মুজাপী বাবয়েংলিবর পাম্মুব।

বীরবল: বাঃ বঃ কয়াদ নুংশিথ্রব ঊইছেনো নর্ত্তকী। শাউ শকউ।

যোধসিং: মহারাজ। সিংহাসন্দ লেঙশনবিয়ু।

বীরবল: যোধশিং, জগোয় মুংঙাইব মশক থংত্রি।

যোধশিং: সনা য়াথংগী মতুং ইন্ন হয়েংগী থোরাং তৌবন ফরগনি।

বীরবল: চৎলো, জগোয় শাবী। সে ঙসিগী জগোয়গী মমল।

(মুক্তা পরেং লৌথোক্লগ পীব)

নর্ত্তকী: (য়েংন য়েংন চৎহিব বীরবল মুংশিন য়েংহৌব)

বীরবল: চায়শু যোধসিং নহাক্কী বাথন্দ করি লৈব।

যোধসিং: দস্যু রত্নাকর লাকশিন্নব মতিক চাব লাম্মী পুহুন হয়েং-মক যাত্রা তৌবনফগত্র থৈঞ্জে। অদুগ ঐথোয়ন চিংন-রীব মীশক অদুস্থু মফম অহুদ্দ লৈ।

বীরবল: থোরাং পূন্নমক লোইরো। ঐথোয়গী য়েক্রবদি মহারাজ রতনদাসতান। হন্দক্তি নাম্থোকহনব য়াদে।

য়োধসিং: অজ্ঞা, তাবীরেদন পরিষদশা। অরোনব বা মী তাহনব য়াদে।

পরিষদকী সদস্য: থংজরে সেনাপতি।

বীরবল: যোধসিং হৌজিক প্রজা নিংথিন তাকলগনি। অদুগ মতিক চাবা মহারাণী অমত্তুংদি রাংলি।

যোধসিং: ননাইন থজবদ মশক মতৌস্থু ফজবী রূপ-গুণশু বাঙবী হৌজিক্কী জগোয় শাবী অহুন ফগত্র...

বীরবল: ঐন পাগস্থু অহুত'ন। ফরে পোথাক্রসি।

(পূন্নমক চঙথিব)

লাইট

১—১৫

জঙ্গলগী লক্ষ্মী

রত্নাকর: ভৈরবদাস, মী অমত্তগী উরদে, চেংগী মুষ্টি অম কাওব কংদে করম তৌনি ।

ভৈরবদাস: ঐদি চরা হেনব ওসি হমনি গুরে।

রত্নাকর: অরাবনি ভৈরবদাস করি তৌগনি. ঐগী নওগী অরা-বদু কংলিবনি ।

ভৈরবদাস: মরূপ অসিগুম্ব অরাব অসি তোয়না থোকলি ঐখোয়বু কৌবদগী লক্ষ্মী অসিদ নী অমত্ত চংখিত্রে। মরম অসিন চরা হেনবদি শোয়দ্রে।

রত্নাকর: হৌজিক লৌউরগনি. ঐগী অদুচর চাত্রেংক লোয়ন লৈহাও করব লবুক অসিদ মহৈ মরোং হল্লগনি। মহুদ থোকপ মহৈ মরোংন আশ্রমবাসী পুম্নমক চাব ওল্লগনি।

ভৈরবদাসঃ মরুপ। থবক অহু শাইনব থৌরাং তৌরসি।

রত্নাকরঃ করে, ভৈরবদাস চৎলসি। (চৎপ হৌব) এঃ য়েংউ
আদ মী থরা লাকপ উরে। চ্যোকশিল্লু য়াউরকপ থর
লৌহাত্রবদি ওসি চন্না হেনব তারে। চৎলু চৎসি।
(চঙখিব)

লাইট

১—১৬

জঙ্গলগী লক্ষ্মী

সবিতাঃ ভগবন! তাইবং পানবগী মপু। নওন থৌজালবীগুন
ঐগী পত্তিগী কৎত্রব স্বভাব অসিদ কাউহনবীয়ু।

রত্নাকর (য়রাই কারব পোৎ থকউবদগী ডাউব)
সবিতা— সবিতা নওন ঐন তৌব য়বক পনহল্লি।

সবিতাঃ মখোয়বু থাদোকপীবগীদমক্ত শাওবীগনু। লবীদ চৎথ

বর-কন্যা অনিগী মথৎতাই কনবীবগীদমক শাওগনু । ঐবু লমন খুদিগী যশক ওইনা হাংপি ।

রত্নাকরঃ নত্তে, সবিতা নহাকপু হাংলোই ।

সবিতাঃ নাথ, নহাক্কী প্রেমগী ঊচেক্ত ননাইন হুংঙাইজবগুম মখোয়শু হুংঙাইন লৈজসনু ।

রত্নাকরঃ অদুদি থকুন থরদ পীখো । (ঙাওহুন তুব)

আঃ— সবিতা .. সবিতা... ।

সবিতাঃ নাথ, ইবুংঙো তৌরিসদি করিনো । থৌজাল হৈব ভগবান । পতি সেবা কাইহনবীগনু । মকম অসিদি শুক্রব বল্লি করিগুম—

নরায়ণঃ (নেঃ- মনুংদ) রাগনু সবিতা ।

স্বামীগীদমক করিমত্ত চিংনশনু নহাকনু আশ্রয়দ হনগ্রো ।

সবিতাঃ (হয় য়েংব) কনানো? নিপামচা, নহাক অমুক্ত চাইখো ।

(তাম্নব)

নরায়ণঃ (লোয় যেংব)

রত্নাকরঃ ঐন অমুক বারিবসি করিগীনো?

নরায়ণঃ কর্ম্ম ফলমনি ।

রত্নাকরঃ (হোৗগত্তুন) নঙ কনানো, নম্নিং কল্লি কৌই ।

রত্নাকরঃ কর্ম্মফল!

নরায়ণঃ নথক তৌজব থবক অদুদগী কংলকপ মহৈ অদু, কর্ম্ম ফলনি ।

রত্নাকরঃ অদুদি করি তৌরগ কগনি।

নরায়ণঃ মায় রাত্নন অনুতাপ তৌরগা কগনি।

রত্নাকরঃ অনুতাপ হাঃ হাঃ ওঃ...

সবিতা সবিতা কোক অসি পুব ভমন্নে।

(অংতোপ নাকল অমদগী চত্তলকপ)

তর্কানন্দঃ মুংত্তাইদ দেব লিলা মহাভয়ঙ্কর!

মীন থিল্লগ লাই ওনব, লাইন শিল্লপ মী ওনব। গুরু-দেবগী কৃপাদগী দস্যু রত্নাকর, লাই ওনগদৌরে। গুরু-ঐন মী ওনগনি। মুংত্তাইদ পাপুগী পুন্য, পুন্যদগী পাপ, অক-কন্তা স্বর্গ নরক, অরা-মুংত্তাই, অনি অনি ওরি। অমৃতগ হুগ ঐন পাম্বন অম, কংবন অম, নাতৈ অসি ইচা চাত্রি। অদুদি অমৃতগ হুপ মায়রবদি করম তৌই। উম, কর্ম্ম কল মতুং ইম ওম চারব হায়রবনি।

(তাংগ তাংগ চংথিব)

সোনামনিঃ ওঃ ঠকুর! অমুক্ত ত্তাইবীথো।

তর্কানন্দঃ অম্মোকন গুংশিন কৌরেদ। কনানো করি হায়বগে

(হুম য়েংব,) এঃ এং। (মিং খুমজনব)

সোনামনিঃ ঠাকুর, ঐবু মুম য়েংবীয়ু। ঐবু কাউবিরবর?

তর্কানন্দঃ ঐ মিং হাংদোকপ য়াদে। পুন হায়ম্মো।

সোনামনিঃ মীৎচিন অমুক্ত য়েংবীয়ু অদুগ হায়জগে।

তর্কানন্দঃ অদু ওইরবদি কিন মাই অদু শুমজিল্লু?

সোনামনিঃ ঐগী ইরাল করিনো?

তর্কানন্দঃ নখোয় শাপ্প শাব মীনি, অঙ্গন উব য়াদে। বিধাতান নখোয়গী নমাইদ য়োৎচানী হাপই। ঐখোয়দন ইস্পাট হাপই। অনিসি উন্নব য়াদে। ঐ মিং উত্রে। লখী খর তাকপিয়ু চৎলগে।

সোনামনিঃ ঐ মাহ খুম্‌শিনলে (ছারিন মাহ খুব)

তর্কাঃ শোয়দে?

সোনাঃ শোয়ত্রে .শোয়ত্রে।

তর্কাঃ (য়েংব) করি হায়ব?

সোনাঃ (মাই হাংদোকপ' ঐগী চিংনব কোকহনবীয়ু।

তর্কাঃ এঃ এঃ শিরে শিরে (চৎখিব)

সোনাঃ ব্রাহ্মণ ঠাকুর। অমুক্ত ভাইবীখো। (তান্নখিং)

লাইট

১—১৭

রত্নাকরঃ লখী অসি মী অমত্ত চৎখিত্রে. করম তোগনি গুসিদি।

সোনামনিঃ (রত্নাকরগী মখোং পাইতুন) সর্দার নখোং পাইতুন হায়জরি। তোল্লবী ঐখু খোজালবীয়ু।

রত্নাঃ করি হায়ব সোনামনি বিশ্বাঘাটক বীরবলগী থৌইনশিন মাল্লি চৎলে। তানিংদে।

সোনামনিঃ ঐবু য়েক্নবগুম খনবীগনু। ঐগী হৈরাল লৈতে, ঙাক-ঙাকাপিয়ু সর্দ্দারজী। অয়াম্ব মীন ওইজব তানবদ মীনশ ঙাংদুনা বিশ্বাঘাটকী থবক তৌই। ঐদি অসিগুম রাখল অত্রু করিগুম মতমদ খঙদে। য়েক্নবস্ত্র মরূপকুন খনব ঙমজে। নহাক্ন ঐবু য়েক্নবগুম খল্লি। ঐন নঙবু অমম্ম মরূপনি হায়ন খল্লি।

রত্নকরঃ হাঃ হাঃ সোনা, মহ পুব ফিজ খুদোং চাব কংলবদ, স্বাভাব থাদোকপ তৌদে, সোইদন চিকই। ঐন নহাকপু মহ পুব লিল্লি হায়ন নিঙই। হৌজিক কর্ত্তব্য তৌরগনি।

সোনাঃ নত্তে, সর্দ্দার। ঐবু ঙাকপিয়ু।

রত্নাঃ সোনাঃ, ঐ নহাক্না পাউতাক পামদে।

(শাগুন মথুং পাইদুনা)

(রতনদাস থুন চেম্বোরকপ)

রতনদানঃ মরূপ অমুক্ত ঙাইবীখো, নহাকপু থাদোকপিয়ু। নহাক অকনব নিপানি, জুপীদ অরাব পীব হৌনদে।

রত্নাঃ ঐ মচগুম থাক্লে। (লেপ্ল)

রতনঃ মরূপ, নহাক দস্যু ওইরবস্ত্র ঐ করিনত্ত চিঙনদে লাও কোল্লসি নাও। (কোল্লব)

সোনাঃ জগত্ত হিংসা য়াউদন প্রেমগুন জয় তৌব ওমই।

লাইট

১—১৮

বনগী লক্ষী

করুনাময়ী: (অয়োৎপ ফিজোন) ইবুঙো, চৎলু ফংত্রব বীর-
বলন ঐখোয়বু ঙৎকে তান্নারবনি। ভিক্ষা তৌদুনা ইমা ইচাগী থরাই অসি মতম খরদং থাংখিসি।

শিবদাস: ইমা ঐখোয়গী খাংপোকশং তায় চৎলসি, অরাম্ব মৈচাক খাংব ওমত্রে।

করুনা: চৎলু ইমাগী ইবুংঙো, ভগবান ননাইগী অরাব অসি য়েংবীয়ু। (চৎখিব)

(সবিতা য়ায় রাব মওংদ চঙলকপ)

সবিতা: ওসি ঋষি চ্যবন্ন অশ্রামগী মৈচাক্র বাম্বদুন লৈহোৱে। ঐন করি পূশিন্দুন পীজরনি। ভগবান খোঙাল হৈব ইবুঙো ননাইগী অরাবসি অমুক্ত কোকহনবীয়ুগব।

নরায়ণ: (অত্তাংগী মওংদ) রাগমু সবিতা ঐন নঙ্ৎে পাংগনি। ঋষি চ্যবনগী চাননব পোৎ পীগে লাও।

নরায়ণঃ উইহেশিং অসি লৌ মসিন হৈগ্রুবি। মসিন পাম্বী কম্রামুক্তা মকুদ শৌবনি, মতোং মথল অমনি। মসিন হৈনিং পাম্বী মচাগী মরুনী অহুপ মনাহীনচিংব পূরমক অসি য়ামরপ শেম্ব চৌপ্পাক মথল অমনি। মসি চরগ থবাই ইরায় লায়ন হৌংব ওমপনি। চৎলো সবিতা মাস পীজক।

সবিতাঃ পুম চৌপ্পাক অসি মমিং করি কৌই?

নরায়ণঃ মসিগী মমিং "চ্যবন প্রাশ" হায়ন কৌই।

সবিতাঃ ঋষ চ্যবন পীজব য়াগত্র?

নরায়ণঃ মহাক্কী চৌপ্পাক্কী, মসি চারগ ঋষি চ্যবন মথ্বাই হিংগনি চৎলো সবিতা।

সবিতাঃ (থরদং নোক্তুন) অহুনি চৎলে।

(চৎখিব)

লাইট

১—১৯

বনগী অতোপ্প মফম অমদ সোনামনি রত্নদাস ৱারি শান্নি।

রত্নদাসঃ সোনামনি মহাক কনানো অশেংব থবিচয় পীয়ু।

সোনামনিঃ মহারাজ, ঐগী পুন্সিগী ৱারিদি অঙকপনি। নারদ মুনিগী অচৌব শম উবদ মোকউবদগী ঋষিগী শাপন বেশ্যাগী কাত্তা পোকউ হায়রিথি, মরম অদুন অৱাব কংলিনমি।

রত্নঃ মদুগী মুক্তিদি ?

সোনাঃ দস্যু রত্নাকরন লোকপদ শাপ মুক্তি ওইগনি। মরম অদুন মমাংদদ দস্যু রত্নাকরবু কারণ ঐথোক্ন পীবিয়ু হায়জখিবদুনি। হৌজিক্তো লেম্বগী মফমদ মহারাজনু মায়থিদুন লৈরে, উপায় তৌবিব লমগনি নিংজরে।

রত্নঃ মতমগী মতুং ইন্না অৱাবসি কংলিবনি। থংব ওমদে ভগবানগী ইচ্ছানি। অদুগ মতগী অৱাবদু কক্তব উপায়গী থৌবাল

অমদগী কোকপ য়াই ; চৎনগনু।

সোনামনিঃ (অতোপ মাইকৈরোমদ য়েংদুনা)
মহারাজ, অসোমদ লাক্লিব মীয়ামসি লাম্বি ওইরমাগে।
লেংলসি মহারাজ।

রত্নদাসঃ নহাক চৎখ্রো সোনা ঐগীদি অততায়ীনি।

সোনাঃ অদুদি মহারাজ য়ারোবীগনু মখোয় অসি কারিগুম
উপায় অমা তৌদুনা সোমদ চংগঙনব হোৎজেগে।
(চৎখিব)

রত্নঃ লাইবক খিব মীগী অয়াব লোয়ব নাইদেঃ হসঃ হৌজিক
করম তৌগনি। (চঙদুনা লোৎখিব)
(বীরবল, যোধসিং, অতৈ লান্মী চঙলকপ।)

বীরবলঃ (সোনা ফাদুনা পুরকপ হায়রু, নুপী নিংথৌ কদায়দ
লৈ।

সোনামনিঃ ঐ খংজদে।

যোধসিংঃ কল্লিগী খঙদনা হায়রু, নত্রবদি হাংকনি।

সোনাঃ হাংলু শিব কৌব মী নত্তে।

বীরবলঃ নুপী অসি থোনা কব শায়েদ নওগবী হ চেয়বী লিন
অমোম্ম অম হাংপদ কল্লিমত্ত চিংনকম লৈতে।

লান্মীঃ (পুনব অমনুং ফুব) থত্ত্রে, নুপী চিনখিবী।
(ইনথুব)

সোনাঃ বীরবল ঐগী থরাব অসিদি কয়, শিব তারবয় দস্যু

রত্নাকরগী মথৃত্ত প্রান থাজগে।

বীরবল: (থাংব য়ানগে তৌব) হৈ ওকবী লৈজহৌরো, কৈ লোংশাক্‌গী চীঙাক ওইজহৌরো।

যোধসিং: জয় মহারাজ বীরবলগী জয়। (মঙাম চৎখিব)

সোনামনি (কপ্প কপ্প) দেবঋষি। ননাইগী পাপ অসি লোইহ্রিব্রা (স্বরগী কোনব) ঐবু য়ারেদ...

নহাক্কী কল্লব ব্রহ্ম শাপ। অশুপকী মতিক য়ান থাংব ঙমজদ্রে, তোল্লবী ন্নপীনি, করিগী অশুক য়াম্ন য়াহনং বীবপে যমগী দণ্ডগী ব্রহ্ম শাপ্প শরুক লিশিং অম হেন্ন কয়। য়াথয়েদ হে দেব...।

রত্নাকর: (চঙলকপ, মকোক্ত কি অম য়েত্তুন মখুৎন পাইত্তুন অনাব থাংব, অদুচর অনিন নাকলদ শেন্নব।) ইস: থাংব ঙমদ্রে, হকচাং অসি তনিক তনিকলে।

সোনা: কনানো, বীরবল অমুকন্ন লাল্লবর নত অসি ওহোকন থপ্পোয় কনম্রেদ।

রত্না: কনানো (মনাক্ত চঙশিনব) সোনা নহাক করি তৌরে? হায়রু কনান নত্তবু অয়াব পীরম্বগে?

সোনা: বিশ্বাসঘাট বীরবলনা লাল অমুক হৌরত্তুন, মহারাজ রতনবু থিব লাকপদ ঐবুন্ন মকম তাকত্ত হায়ব য়াদে লায়ত্তুন য়াম্ন ফুরমলগ চৎল্লে। চৈনাখোল থাংব ঙমদ্রে।

রত্না: সোনা নতদি য়াম্ন য়ান লৈয়মলেদ।

(সোনামনিবু কোনব)

সোনামনিঃ করাদ ঈংগ্রব হৌজিক্তি শান্তি কংলে। দেব ঋষি
ঐগী শাপ মুক্তি।

(ভূধথিব মৃত্যু)

রত্নাকরঃ (গুরু) করিনো তোরিসিদি॥ মাগুলে, মাগুলে। (অতোপ্প মায়কৈদ খুং থিন্দুন) য়েংউ। মথোয়স্ত্ স্নেংউ॥ সোনামনিগী হকচাংদগী লাইরেম্বীগী মূর্ত্তি অম থোরকপ্ত্ুন অহাংব অতিয়াসিদ চংখ্রে।

অনুচর ১ঃ সর্দ্দারজী! অত্তকপান মূর্ত্তি অসি।

অনুচর ২ঃ অশেংব লাইরেম্বীগী মূর্ত্তিনি।

রত্নাকরঃ (অশিব মশাদ য়েংলগ) চৎলোকো... দেবী চৎলো

অনুচর ২ঃ চৎলো দেবী নহাক্রী মরাব কোকলে।

(পূমমক থোকথিব)

১—২০

খুল অমগী চিদাইনি। থাংপোক অমদ করুনাময়ী মচানিপা শিবদাসকী লৈফম। শিবদাস য়ুম শংদুন লৈ

রতনদাসঃ (অমোংপ ফিজেৎ, কোই লাং ইশাং শাংন ভিক্ষা নিব চৎপ) অয়াব য়াথংগী মৈশা লাংবন, হকচাং অসিনু শোন্থরে। অছুগী মথক্ত অয়াম্বগী মৈচাক্ক থাংব ওমত্রে। অয়াবসি ঐগী কর্ম্ম ফলন কংলরবনি। এঃ য়ুম অমদি উংর। মসিদ চংহুন চাননব থয়দং নিঙ্গশে।

(চঙশিল্লকপ)

শিবদাসঃ নঙ কনানো ?

রতনদাসঃ (খাম্ম চুংশন) নিপামচা, নঙগী পরিচয় হায় পীখো, মহাক্কী নশক উরগ ঐগী থম্মোয় পুৎ ওমত্রে।

শিবদাসঃ ঐদি চাকনিবাগী মচা, চাকানবনি। হায়য় মহাশয় নহাক কনানো ?

রতনদাসঃ বাবা ঐ য়াম্ন অরাব তাৱৱ, চাদবনস্নু কুইরব অতি-
থিনি । নহাক্কী অরৈব থরদং পীজরুন ঐগী অরাব
অমুক্ত কোকহনবীয়ু।

শিবদাসঃ ভসিদি চুংচাইরব চুমিংনি, অতিথি পূজা ফংব তারে।
মহাশয় নহাক ভাক্ত পোথাথো, ইমা লায়গা নঙগী
অরাম্ব কোরুব পীজগনি ঐস্নু ভরাংদগী চাদন থাংহুন লৈরিবনি।

রতনঃ মুংশিরব নিপামচা নহাক্কী নমিং কবি কৌই।

শিবদাসঃ ঐগী ইমিং শিবদাস কৌই।

রতনঃ শিবদাস অরৈব থরদ পীজো, চয় হেনব ভসি তরুক্কী
গুরে, ঐ থাংব ভমত্রে।

শিবদাসঃ ইমাম্নু লাক্লে বারগনু।

করুনাময়ীঃ (চকু অমদ ঊশিং থরদং, অমশুং মহৈ মরোং থর
পাইহুন চঙলকপ)
শিব, ইমাগী ইবুংঙো শিবদাস ইমা লাক্লে, ইচাদি
লাম্বন থাংব রাররলগনি, ভসিদি উহৈ কাওব থরত
ফংলকই। নহাক চায়ো ইমাদি হয়েং চাবগে। সে...
(ইনবীগে তোব)

শিবদাসঃ ইমা অতিথি অসি হায় পীজখিনি, মহাক চয়া হেনব
মুমিং তরুকনী গুরে হায় ইমা। অতিথি নহাক চায়ো
সে...।

রতনঃ নিপামচা নহাক মহৈ কাউকো।

শিবদাসঃ ইমা ভরাংদগী চৎা .হনলকপন খাংব ৱারে. ঈশিং অহু খজিক্ত খককে ইমা।

করুনাময়াঃ ইমাগী ইবুংঙো থকউ।

শিবদাসঃ ইমা কোক অসি হায়গৎপ ভমদ্রে ভাইহাক্ত পোথাখিসি। (হিপথব)

রতনদাসঃ নিপামচা আসি য়ু ম্ন ৱারে, মহাক্কী শরুক ঐন লোয়ন চাথোকউরে ঐ অ.স মহাপাপীনি।

করুনাঃ নত্তে অতিথি, ঐগী হচাদি মীহুংশি চাওই। অতিথি সেবাদ থরাই য়াওই' মহাক লাম্বন ৱাস্থরিবনি।

শিবদাসঃ (হোগৎপ) অতিথি নহাক নরায়ণগী মশকনি, ঐদি করিস্ন লৈত্রব মাচমান। ইমা, ঐ লেপ্প ভমদ্রে।

(হায়থখিব)

রতনঃ নচা অসি পীজনব উহৈ খিব চৎলগে য়েংব ভমজদ্রে, থম্মোয় অসি পুব য়া.ত্র।

করুনাঃ (কপ্প) ভরাবগী মৈচাক্ল ৱাহথরে। ভগবান য়েংবীয়ু অরাবসি।

রতনঃ করি তোরে দেবী, ভরাংদগী চারক্তবন অভাংসি ৱাহব্রে ঐন মাগী শরুক চাথোলুবননি। ঐ অসি মহাপাপীনি হৌজিক করি তোগনি। (কপ্প) ভগবান লিলাময়া ওইথোকভব থোদোক্ল ইমাংদ উহনবীয়ে।

করুনাময়ীঃ ইমাগী অমত্ত ভাইজরব কিজিগী মনি তারিত্র শিব,

করিনো কৌব খুমখিত্রে, মাঙাল ঐদি ইমাগী ইবুংঙো শিব শিবদাস। (থাদুব)

রত্নদাসঃ ইস ভৌরিবসিদি করিনো? মঙলা, তাইবংলা ঐ মকম থংত্রে।

(সন্ন্যাসী মৈহে শকনা চঙলকপ)

মানব মপোক্পী অকাউব নাইহল্লি
চেন্থুরি ভপ্প ভপ্প মতমগী মৈচেলদ
মাৱাগী লান পোন্থীঙম পুন্দুন
অরাব থাংলি ভৌজব মহৈ চাহুন।
চিংনব পুক্নিংদ ধর্ম্মন থায়েল্লি
আশাগী মরুমদ থুপ্পুন ভাইরি।

কল্পনাঃ সাধু বাবা! ঐগী ইচা শিবদাস অভিথিগী সেবদা থান্থখরে। ঐ ভোকম থংদরে।

সন্ন্যাসীঃ ধর্ম্মগী মকনব পরিক্ষাদ লান্থোকপ ঙমলে, ধন্যনি ইমা অতোপ্পগী কায়নব হোৎনবদ মশাগী ওইজব থাদোকপ ঙম মী জগত্ত অতাঙবানি। মতুগী মহৈদি মতমন শোয়দন পীরকনি। জীবগী মঙলদ থনব পূকচেল চাউব মীগী থপ্পোয়দি মনি মুক্তদগী হেম মমল য়ানই। বাগচু দেবী নচা অসি কৈদৌম্নুংদসু শিরোই। শান্তি দেবী অম্পাক্ত পোথাম্নিবনি। হৌগৎলো শিব উহৈ অসি চাউ। (পীবব)

সন্ন্যাসীঃ (তপ্প তপ্প নানবীব)

শিবদাসঃ (তপ্প তপ্প হৌগৎপ) জয় ভগবান শঙ্করদেব সাধু বাবা নহাক নহাকনখে কদাইদ চৎলুই।

সন্ন্যাসীঃ জয় জগদীশ্বর। শিব উহৈ অসি চাউ অরাব পুন্নমক কোকুনি।

রতনঃ মগুলা ভাইবংল, ঐ থাংব ভমক্রে, সাধু বাবা অঙকপ থৌদোক অসি করিনো? মখোয় অসিন কনানো? ঐন কনানো? ঐ করিমত্ত থওক্রে, নিঙশিংবনগী থাজলমু লৈক্রে।

সন্ন্যাসীঃ ভিক্ষুক নওদি নিঙব কায়রব আশাগী মমলব লমীদ লম্মুক্কছুন লৈার। য়েংউ মুপী অসি কনানো য়েংউ, মুম য়েংউ। (মপুৎ পাইছুন মনাক্ত চিংশিনব)

রতনদাসঃ (অঙকপ মীৎয়েং) সাধু সাধু অছুপ......

করুনাঃ (হক্ক) মহারাজ। ননাইবু কাউবীরবর?

(মখোংদ তুব)

রতনদাসঃ করুনা করুনা, ঐদি মহাপাপীনিন থংব ভমদরে, ঐবু ভাকপীয়ু করুনা।

করুনাঃ মহারাজ করুনাবু চঙজকম পীবিয়ু।

সন্ন্যাসীঃ হরি নওপী মপাল নাইক্সব লীলা কনান থংব ভমগনি (নিংথৌদ) মহারাজ নখোয় পুন্নমক মদন ওইয়ু। মসি নচানি।

রতনদাসঃ কদাই ইবুংঙো পাপ চেপ্পব নংাদি নঙবু থংউত্রে।

শিবদাসঃ বাবা। (কোপ্পব)

রতনদাসঃ আ–হা কয়াদ ঈংলব, শান্তি দেবীন মকম অসিদ লাকপিগে। পাপকী পুক্লিং শেংদোকপীরে দাউ করুনা...

করুনাঃ মহারাজ।

(পুন্ন লেপমাগ্নব অমসুং হয়াওব)

রতনঃ মহাপুরুষ নহাক অচৎ সন্ন্যাসী নত্রে। ঐন নিঙজব দেবতা শঙ্কর ভগবানগী মুর্ত্তিনি। ঐখোয় পুন্নমক নঙগী খুয়া থাদ চঙজরি। (খুরুম্)

সন্ন্যাসীঃ সদা রক্ষতু ভগবান' মহারাজ মতম পুন্নমক্ত ঈশ্বরন খোজালবীসনু। (চৎখিব)

রতনঃ সন্ন্যাসী ঠাকুরনু লেংথরে, শিবদাস দাউ ঙহাক পোথা-খিসি।

(নেপথ্যে, বীরমলগী লাশ্মী
জয় মহারাজ বীরবলগী জয়।)

করুনাঃ করিনো বীরবল মকম অসিদ লাক্লবরা?

রতনঃ মহাপাপী বীরবল চৌজিক ফাওব হিংলি করম তৌগনি করুনা খুংলাইনু অমত্ত য়াওদে।

বীরবলঃ লাশ্মীশা। মথোয় অসি কোয়শিল্লু

(লাশ্মী ময়াম কোয়শিনব)

মহারাজ রতন ওসিদি নঙগী অরোইব নুমিৎনি।

রতনদাস: বীরবল নহাক অসি ধর্ম্ম লৈখিরেদ, রাণী করুনা—
মতম অসিদি উগ্ররণী নাম শোংগো। মতুতন ঐথোয়গী
উপায় ওইরগনি।

বীরবল: ঐ ধর্ম্মগী বা ভাব লাকপ নত্তে। ঐগী রাজ্যদ য়েক্লব
থমলরোই। যোধসিং চোকশিল্ল লান্মীশা (থাং
শক্তুন) জয় মাতা দুর্গা।

রতনদাস: জয় শিব।

করুনাময়ী: জয় সদাশিব।

শিবদাস: জয় শঙ্করদেব।

(অরাব মওংদ লৈথিব)

রত্নাকর: (অভোপ্প নাকন অমদগী নোংথাকপমুক কয় লাউরকই)
বীরবল হৈ নারকী ভীল। (চেনশিনব অমসুং থাং
মুনব, ভৈরবনচিংব অনুচর অনিগ বীরবলবু কোইশিনব)
ভৈরব ম.থায় অনি অসি কাও। (মঙাম নল্লব থরম
চেনখিব বীরবল যোধসিং অমসুং লাম্মী অমগ কাব)
বিশ্বাসঘাটক অসি উদ পুল্লু। (লোইন পুনব)

ভৈরব: (খোংপাক্ল নেত্তুম নেত্তুন কয় পুনব)
খওত্র বিশ্বাসঘাটকী কাভবু। (পবেং শান থব)

করুনাময়ী: অঙকপগি ভংথংন নওগী শিলা অসি।

রত্নাকর: বীরবল, নওদি কোয় হাংকে য়েংউ নওন কনব ওমত্র
য়েংসি। (থাংন চোংশিন্দুনে লাম্মী অমগী মথবাক শিনব)
থাব হুইগী কাংবু। (মঙাম নিকপ ইস)

লাম্মীঃ ওঃ মহারাজ বীরবল। (শিব)

অনুচর ১ঃ (যোধসিং মবুক থাংনা থমলগ)

হৈ বিশ্বাসঘাটক মন্ত্রী খংলবরা?

যোধসিংঃ ঐবু......।

রত্নাকরঃ হৈ খংত্র (হোৎনব)

বীরবলঃ হৈ দস্যু ঐ শিব কাবমী নত্তে।

রত্নাকরঃ (শাংখুন থাংনা থিনগে তৌব) করি...

করুনাময়ীঃ ব্রাহ্মণ অমুক ভাইবীখো, বীরবলগী থবাই অমুক কনবীয়ু। (মখোংদ তুব)

রত্নাকরঃ ঐ মরূপপু তাম্বোকপ মহাক নংত্রা করিগী মাবু কনবীক্ষম থোকই?

করুনাময়ীঃ ব্রাহ্মণ, ঈশ্বরভক্তন মাগী শান্তি পীগদবনি, ঐপোয়ন পিব মতিক চাত্রে। (থাং মুনব)

রত্নাকরঃ মরূপ করিনো তৌবিরিবসিবু মী হাৎপগী থবক নত্তন ঐবু কয়া থামখিব, ওসিস্থ থামখিগত্রা?

রতনদাসঃ মরূপ মহাকপু হাৎপীগনু।

(পুলিব লোথোকপ)

বীরবলঃ মা...করুন। ঐবু অমুক কনবীয়ু, মতুংদ অসিগুম থবক অমুক তৌজররোই। ঐগী থবানব পুখ ভাকপিয়ু। অহিংসাদন মতম পুম্নমক জয় ওইরি।

(করুনাগী মখোংদ তুব)

রত্না: (শাউন) মরুপ ঐ চৎলে। লাউ ভৈরব

রতন: ঙাইখো মরুপ।

রত্না: নত্তে' নত্তে ঐদি দস্যুনি মত্থু য়েংব হৈনদে মকম অসিদ চাউরব দয়াগী সমুদ্র অম চেল্লে। ঐ হৈনদে চৎলে।

(অনুচরগ লোয়্নন প্রস্থান)

বীরবল: পিত: ঐবু ঙাকপিয়ু।

রতন: লাও বীরবল ঐন নহাকপু ঙাকপিরবনি। (কোলব)

শিবদাস: বাব চেক্রববু......

রতন: নত্তে শিব, লাও যোধসিং ঐখোয়গী রাজধানীদু হল্লসু

বীরবল: (শিবদাস পোথুন পুব) ইবুঙো শিবদাস ঐগী অরানব ঙাকপিয়ু।

শিবদাস: নংগী দোষ কাইমত্ত কৈদে। (হন্ন য়েংব) অশিব মশা অসি পুরকউ যোধসিং।

যোধসিং: (মু ঙক মুংলানদুনা অশিবদ য়েংব অমুক ময়াম্‌দ য়েংব) ইস......

নারদঃ (নেপথ্যঃ)

শোল্লু মুশিব হাবিগা মমিং
পুক্নি' ভগ্ন থরায় য়াউন।
(রত্নাকর খোক্লুন ঈছে তাব)

(মপাঙদ) মাগী খোজালন অমাব ঙোকনি।
অমানব হুৎম শোমদন ফংগনি।
চৌং মাল সমুদ্র অচং চত্ত জাব,
গ্রহ উপগ্রহ মহাক্নন শেম্বনি।
পাঙগন্ন মাওইব নম্বুব চংকঙু।
পাপকী চেনা কোকপিগনি মানা

রত্নাঃ বয়াদ মেচলব খোঙ্গেন। অহুগ পাউতাক অসিদি ঐগী থম্মোয়দ চংদে। হম ঐন ভোগদব ইপো নাপ্লোকহনব য়াদে

নারদঃ ব্রাহ্মণ নহাক গুরি থল্লি, মাইখোং লাংশিন্ন উট। করম খুদোংথিব লৈবনো? হায়ম্নু ঐন ভগ নত্তেং পাংলমগে।

রত্নাঃ হম চুমই, ঐগী ইত্তেং পাংগদব মতমবকনি।

নারদঃ ঐগী অমাওব পুন্নমক পাগে, বা অমত্তদি তাপো। নঙন

অসুক য়াম্ব মী হাৎল্লন লুটপাট তৌবসি পাপ পুরোইত্রা ?

রত্না: করিগী পাপ পুফম থোকই মসিদি ঐগী কর্ত্তব্যনি।

নারদ: নত্তে, নত্তে মহাক্কী পাপ শোয়দন পুগনি, নত্তন তৌজব কর্ম্ম ফলগী মতুং ইন অনা হুংখাই শোয়দন ফংগনি।

রত্না: পাপ পুব ত রবগু ইপা হ্রম। লোয়ন পুমিন্নগনি। মখোয়-গীদমক হুক য়ান। য়োক থাক্লপ পাপ পুরমদাইদদি করিগী ইথন্ত পুগনি। ময়াম চপ মান্ন পুমীন্নগনি।

নারদ: মদু য়াম্রোহ, থাজত্রগ চঙ্গুন হংউ। মখোয়ন য়াররবদি পোক্ত জৌবদ নত্তন ঐবুঙ্গ হাৎলু। অদুগ মখোয়ন য়াত্রবদি নহাক থৎক অসি থাদোকপ তাই চৎলো হংউরো।

রত্ন: নত্ত চৎলম্মোইদন ?

নারদ: ঐ করিমত্ত চেল্লোন্ন।

রত্না: হুম ঐ থাজদে, নহাকপু উদ পন্দুন থনমখিগনি।

(উদ পুনব)

নারদ: পুল্লু পল্লু

রত্না: নহাক চেনখিগনুক্কো (চৎখিব)

নারদ: চৎল্লোয়—চেল্লোয়...।

১—২২

বনগী লক্ষ্মী

তর্কা: হুমিৎনা তাখিবদ নোংমগী অয়োইব পুংজাসু যৈরি। তত্তন চেনব তুংরনগী ইচেলগুম পূন্সিসু নোংম নোংমগী মরোং তারি। তোগদব থবক তৌথোংদ, অরেম্বর মতম মাং-হাল্লদকো মীওইব-। অচুম্বাদ ঙাংই হায়বু থবক্তদি অয়ানব, মসিয়া মীওইবগী সত্য, সমাজদ অন্যায় শাসন লৈবাক ঙাকপ য়াখিত্রা ওইথোক্কব ঙানি। ঈশ্বরনসু য়ারোই। য়েংউ মহারাজ রতনদাসকী মফমদ বীরবল কয়ারক মাচথিরে। থুংলাই য়াউদব অহিংসাতন জয় ওইরে। মসিমক্তসু থাংজিরব মীহাৎপ দস্যু কাংবু অমত্রু লৈরি।

বীরবল: (অমোৎপ ফিজোন অমস্তুং মশা মাংব য়াব লাইনন নাছুন অয়াব মওংদ য়ায় তপ্প চঙদকপ) কনানো ঐগী অরাবসি অমুত্ত কোকহনবীয়ুব)

তর্কা: হয়ে হরে নত্ত কনানো ! থুরাস্থু থওংগুম তৌই অহুবু কাউরে।

বীরবলঃ ঐ পাপী বীরবলনি, ঐন তৌজব মহৈন ইশা অপূব লাই-
থুংনে শিনখরে, পাপ আস করি তৌরগ কোকনি।

ভর্কঃ এঃ মহাপাপী বীরবল মুংশিদ মহৌশাগী বিশ্বাশঘাটকী
খবর অহু থাদোকলবরা ?

বীরবলঃ ঐ পূরমক থাদোকচরে ব্রাহ্মণ। নঙগী পদধূলি খরদমি
পীবিয়ু ঐবু লানব ঙংলরোইদৌরে।

ভর্কঃ পদধূলিদ নত্তে মতা করব নরাইবকঅহুদ খোংপাক্ত কাউরবম
নঙগী পাপ অহু কোকখিরোই।

বীরবলঃ অতদি করি তৌরগ কোক্কনি।

ভর্কাঃ অরাংব চাংদোন লোম্ন কাউ মতুন কোকনি।

বীরবলঃ ঐদি হৌজিক মত্ত কাব ঙমলরোই।

ভর্কাঃ অচমি মমলব ঙহাদ চোংথো অহুগ কোকনি।
তাও মহাপাপী নংনে ভীরবকপ পাপকী মারী অহু
মা পুম্নমক্ত শাউ। মতুগী মহৈন মীন থিন হায়বকনি,
অচৈ থৃদিংগী পাপ খয় খর চংখিনি, মতুতন নঙগী
অরানব কংগনি চংলো (ভর্কা চংখিব)

বীরবলঃ উঃ ঐ থাংব ঙমদ্রে, ভগবান ননাইবু থৌজালবীয়ু
(তুথখিব)

চ্যবন মুণিগী আশ্রম

চ্যবনমুণি দেবী ভদ্রে, ঐগীদমক নহাক রাবণমু মহাপাপী অদু ঐগী
আশ্রমদ চংহনলরোই ।

ভদ্রা: নাথ ইচাদি মথন্তুনি, মহাকপু শাওবীগনু ।

চ্যবনমুণি মাহাক্কী শানি, মুংশিব থংদে, অয়াম্বন থাংব ওমত্রব
মপা মমা লৈরি হায়ব, করিমত্ত নিংশিত্রে ।

ভদ্রা: ইচাগী অপরাধ পুম্নমক গাকপিয় । মহাকপু আশ্রম
অসিদ চংফম পীবিয়ু !

চ্যবন: দেবী, হায়ব্রব রা অমুক হোংলরোই, মহাক ঐগী
আশ্রমদ লৈব মাররোই, মুংশিদনসু ঋষিগী মাথংদি
দৈববাণীদগী হেন্ন কল্লি । (রত্নাকর চত্তলকপ)

রত্না: (মাইথোং লাংশিন্ন) পিতঃ নচাগী অপরাধ লৌবিগনু
(খোংদ ত্তুব)

চ্যবন: ইপাগী রত্না লাউ ইপা কোনগে, লাউ (কোনব) মাহা
মচাগী মুংশিব ।

রত্না: ইমা ঐবু ভাকপিয়ু—।

ভদ্রা: ইমাগী ইবুংঙো রত্না: করিগী অপারাধ লৌগনি অংক
কুইব নহাক কদায় চৎলুই ।

রত্না: ঐগী মরুপ অমগী মতেং পাংব লাপ্ল চৎলুরে।

ভদ্রা: নঙন লাকত্রিবদ ঐগী সবিত্তান কয়াদ বান ভিক্ষানিব চৎলুরে। মহাক্না আশ্রম অসিদলৈবদগী অনৌব জানগী মিংস্রুউরে। নহাক ঐখোয়বু সুংশিত্রবরা ইবুংঙো ?

রত্না: করি বানো ইমা। বা অহুপনবীরগমু ঐগী পুক্লিং অসি অবাবগী মথক্ত হেন্ন অমুক বাব ভারে।

চ্যবন: হায়য় বৎস রত্না, করি ভোরে।

রত্না: পিতঃ ঐন মীহাৎপগী পাপ অসি ঐঃখায় পুম্নমক য়েন্নব য়াগত্রা ?

চ্যবন: রত্নাকর য়ারোই মহু য়ারোই পিকলিবদগী ঐন নঙবু য়োকলকলে, হৌজিক নপাঙ্গল চাউরে। নঙন ঐখোয়বু থাকদবনি। মহুদ তৌব পাপ কনামক্ত কংলোই, নঙদন কংগনি। পুন্য তৌরবমু নঙন কংগনি। ঐখোয়দ করিমত্ত থঙদব অতাংগ মায়রবনি হৌজিক পাপ পুব ঙমলোই।

রত্না: ইমা নহাকি।

ভদ্রা: ইমাগী ইবুংঙো ঐহাক্তী পুকম থোকত্রে।

রত্না: (শাউন) করিগী পুদনি ঐন অমুক বান য়োক থারক-লিবসিদি ?

চ্যবন: করিগী শাউরি। নহাক পাপীনি পাপ পুন্য ঐন অমত্ত কংলোই। চৎলো ভদ্রা ঐ মকম অসিদ লৈরোই।
(পুম্ন চৎখিব)

রত্না: পিতঃ ঐবু অমুক্ত ঙাকপিয়ু।

চ্যবন: ঐন ঙাকপিব ঙম নত্তে। নহাক মহাপাপীনি ব্রাহ্মহত্যা কয়া তৌরে। নহাক নরকী মীলনি। নত্তবু য়েংলগ ঐখোয় পাপ চংলগনি নশক য়েংনিংদে। চৎলো মকম অসিদগী লাপ্প চৎত্রো নত্রবদি অভিশাপ তৌরগনি।

ভদ্র.: নাথ মহু তৌবীগমু মকম অসিদগী লেংখোক্লসি। বাবা রত্না: নহাক লৈহৌরে।—।

(চ্যবন ভদ্রা চৎখিব)

রত্না: ওঃ ঐ লৈকম থংত্রে, মুংশিরব ইপা ইমা অনিমকমু ঐবু থাদোক্নুন চংরে। ঐমু চৎলগনি, থম্মোয়সি চাকগে। (অয়াব বাখল থম্মুন কমথব)

সবিতা: (থাংপোক শত্ত মমুংদগী খোয়কপ)

নাথ করিনো তৌরিবসিদি। (হমাই হব)

রত্না: সবিতা ঐ থংব ওমত্রে ঐগী থবাক অসি চাকলে,। বাখল পূমমক মাঙথরে। ঐন লৈরিবসি কদায়দনো ঐ মকম থংত্রে। সসিতা—।

সবিতা: ভপথবীয়ু নাথ।

রত্না: নত্তে সবিতা ঐ মহাপাপীনি, নখোয়বু য়োক থাকপদ নরহত্যা কয়া তৌঞ্রব মহুগী পাপকী শরুক নহাক থয় পুব ওমগত্রা? স-বি-ত —।

সবিতা পূব বায়বদি লোয়ন লুজগে হায়রিবান ইবুংঙো, অত্তবু ঈশ্বরন য়ারোই। ঐগী ইপানা ঙায়রম্মী মান মান

তৌজব পাপকী ফল মশা মশান খংই। কনামত্তন মহুৎশিনব য়াদে হায়রম্মী। নাথ করি উপায় তৌগনি

রত্নাঃ সবিতা নঙমন্না ঐবু থাদোকলে. ফরে ঐস্না চৎলগে নঙন্না য়ারগনু। মহাপাপী দস্যুনি -ঙী নিঙব থুংহনব ঙম্লোই ঐদি ব্রহ্মহত্যাগী অপরাধপ পূক্নিং অসি তপথব য়াজ্রে চাকলে থাংব ঙমগ্রে, সবিতা বনগী মাইকৈ মরিমক্তগী হৌরকপ মৈগী মৈরিগী মতৌঙম্ন পাপকী মৈশান ঐগী হকচাং অসি চাকলে। সবিতা ঐ চৎলে, ঐবু কনবীনব পৃথীবী অসিদ কনামত্ত লৈত্রে। ঠাকুর ঋষি নারদ নঙঙন ঐগী অরাব কোকহনবীব ঙমগনি। ঐ থাডব ঙমদরে ঋষি নারদ। (ভাওহুন চেনখিব)

সবিতা নাথ অমুক্ত ভাইবীথো, লাইগী নোংদমদগী নহাক অমর ওইগনি।

রত্নাঃ চৎলে—সবিতা ঐ চৎলে- বিদায়—বি-দা-য়

লাইট

১—২৪

বীরবল য়াম্ন বান

বীরবলঃ আঃ ঐ থাংব ওমদরে, পোথাকম থংদরে। হকচাং অসি তনিক তনিকলে। চাক্লব লাইথুং অসিগী মৈখা লাংবদ থরাই অসি পূব ওমদরে। তমশাগী ঈংলব ইচেল অদো ওসিদি মৈগী মতোওম শাথরে। মাইকৈ মরিদ পাপকীমৈরিন চাকলকলে। মকাকম শাংলিব লৈহি চেন্নব লৈরাং পাম্বীগী মরুমদ পোথারুবদ মহাপাপীনি থংলহন বনগী থোম্মুন শাউহন মথোত্নগী থৌরব মন্না অহুন চীকতুন তাম্হোকলক্লে। ঐগী পোথাকম থংজ্রে। (লেপ্ন) ইস। কম্নিনো শারব মুংশিংন মৈ—রে—। হকচাং অসি চাকলে, ভগবান দয়াময় ঐবু অমুক পোথা হ্—ন-বী-য়ু ব। (বাম্বথিব অমম্নুং থরো থরো ওনব)

রম্ভাঃ (ক্লাউন) য়েংউ! „মাইকৈ পুম্নমক অসি মহাভয়ঙ্করগী মুর্তি ওক্লে। মৈরিশিং অসিন ঐবু চাকদবগী তান্নরকলে। এ চওকম থংদরে। হকচাং অসি বিষুন চিকপ হুদগী হেন্ন কঃম: (খর মপী) ঋষি নারদ...... । (চেনব বীরবলদ খুদি থিব থরো থরো ওনব)

বীরবল: ও: ঐ শিরে (থর হোগত্ন) কনানো ঐবু মমুক অরাব শিন্নিব.........।...(অমুক ভথব)

রত্না: (ইভক চক্ক) ও! নত কনানে।? ঐ উরুত্রে ঐবুপাকপিয়ু (কোনব) ঐগী পাপ অসি নত থর পুবিবগমগত্র?

বীরবল: কনানো। সর্দ্দার রত্নাকর।। তৌরকলিবসি করিনো?

রত্না: এঃ নগনদি ঐবু থংলি, ঐদি নঙবু থংত্রে হায়রু কনানো

বীররল: ঐগী পরিচয় ভারম ভকনি। ঐ বিশ্বাস খাটক বীরবলনি

রত্না: নহ বীরবল! করিনে নশা অপুম কুঠব্যাধিন শিরে, করিনো নহন অমুক রানা লৈরমলিবসিদি।

বীরবল: সর্দ্দার! মীন খুংশিত্রবদি লাইনন্নু চানবীদে, ঐগী পাপকী কলন কংলিব অরাবনি। ইস, ঐ থাংব ভমদরে, ভগবান ঐবু অমুক্ত অরাবদগী ভাকপিয়ু...। চংলে — (চেনখৰ) — ।

রত্না: কারনো ভনিগী মতৌ অসিদি মতলা? মীন খুংশত্রবদি ঈশ্বরনন্নু চান্নবীত্রে হায়ব। কয়াদ অভকপ রানো? (থংব অমত্নং মমাংদ অকিবগী মুর্ত্তি উব) হিঃস।ঐ মাভলে মুর্ত্তি অসিন ঐবু কাইনলে। ঐ চেনক্ষম থভদরে। কনানো ঐবু লম্বা অমুক্ত ভাকপিয়ুগব। থোজাল হৈয়-খবি ঐ রারে।

(নেপথ্য: নারদ) রত্নাকর শোমদ লাউ ঐবু পুন্নিব অসি থাদোকউ

রত্না কদোমদনো — কদোমদনো — দেব ঋষি—(চেনখিব)—।
(মখুৎ পারহুন নারদন অমুক—পুশিন্নকপ)—।

(রত্নাকর মথা থক থক নিকপ)

নারদঃ (য়ায় হুংশিন) রত্নাকর করিগী নিকলি তপথো। অদোমগী মশক ওইরব পাপ অছু কোক্লনব "হরি" হায়ন অমুক্ত শোল্লু—।

রত্না (থর থিরকুন) আঃ ঐ হায়ব থোক্তে, মচু তারগ ঐ রাম কৌরে চৎলগে (চৎকে তৌব)

নারদঃ তপথো রত্নাকর ভগবানগী নামতন নত্তগী অদোব কোকনি হায়রু "হরি" হায়ন শোল্লু।

রত্নাঃ (হয়াং তাব) হায়ব থোক্তে লৈয়েং অসি কাজিনখরে। আঃ—।

নারদঃ হায়ব থোক্তে—করি উপায় তৌগনি, পিতঃ হে ব্রাহ্মণ। (মিং উইশন্দুন ধ্যান) থংলে থংলে মসিন রত্নাকর লানব ভমলরোই। মহাক্কী পাপ মুক্ত ওইহনব মন্ত্রদি ব্রাহ্মণ তাকপিথিব শ্রীরামগী নাম নত্তন লানব ভম্রোই। হায়রু রত্নাকর "রাম" হায়ন অমুক্ত শোল্লু।

রত্নাঃ আঃ আঃ মা—।

নারদঃ হায়ব থোক্তে, করি উপায় তৌগনি। ((কোয়ন য়েংব) য়েংউ রত্নাকর মসি করিনো?

রত্নাঃ অকংব উনি-।

নারদঃ চুমই অকংব উনি, অচুগী মখাদ করি লৈ? করিন পাম্বাগী অরোইবনো।

রত্নাঃ মর'............।

নারদঃ "মরা"— মাররি—। অচুম্বনি। করে—রত্ন! নঙন হেক ওথমথৈ বাহৈহ্নু তত্তন হায়ু।

রত্নাঃ মরা—, মরা, মরা—ম. মরাম রা ম রাম, রাম।

নারদঃ (হৈয় চেল্লব মীৎ য়েংন) রত্ন, নাম অদু তৌইন হায়ু "রাম" হায়ব মীৎদো শ্বর হোম্লোক হোজিন অসিগাং তত্তন হায়রো। থম্মোক্কদ কাউরগয়ু মঙ্গুন নঙগী পাপ মুক্ত ওইরগনি। হায়মু পুংশিব মীৎ অদো তত্তন হায়মু।

রত্নাঃ (মথুৎ লোয়রন্থন) রাম-রাম-রাম-রাম (কপ্ন) কয়াদ পুংশিরন মীংনো রাম-শ্রীরাম' নাম অসি শোল্লগ ঐগী হকচাংগী তুখোং পুন্নমক্ত হমাং তারকলে। ঐগী মিত্ত উরম্ব অকীব মূর্ত্তি পুন্নমক অদো লোয়ন মাঙথরে—"রাম রাম"

নারদঃ গোলোক বিহারী ভগবান নহাকী খোজাদগী পাপ চেল্লব জীব কয়াবু লানবীরি।

ঈশৈ

মীনম জগত্ত হরিন শাররি-।
মীগী মূর্ত্তি লোহ্নন পাম্ন কোকথিরি।
অমা মুংভাই নঙগী কুমৈনি।
পাপ পুন্য নঙন শিনবনি-
নহাক্তি ভক্তগী চাম্নব মক্কপনি।
পাপী কয়াবু নঙন লানবীরি।

রত্না। লাউ চংলসি ব্রহ্মাগী মাথংদগী য়োগাশান্দ কমণ্ডুন পুক্লিং অসি লোংদন শ্রীরামগী নাম শোন্দুরসি-।

(উভয়ের প্রস্থান)

লাইট

১—২৫

চ্যবনঃ দেবী ভদ্রে' ঐগী ইগা খিব ফংস্রে রত্না- রত্না। ইপাগী রত্নাকর। নত্তবু কদায়দ লৈবগে। ইপান নত্তবু মুংশি-বদগী মীৎকুপ অমাগী মপুংফগী লাকপ অশাউব বাহৈন নত্তবু খিন চৈখিব, হৌজিক নিংতমস্তে, বাবা রত্না, রত্নাকর। ওস্তোকপানিদ ঐগী ইচ অহু কদারদা চংস্রব।

ভদ্রাঃ নাথ ইচাদো ইকায়বদগী আত্মাহত্যা তোস্রবর থংব তমস্রে সবিতান অতাওবীগী মতোওম মাইকৈ থংদন কোইচং চংখরে। ঋষি কুমার কয়া কয়ানা দাদা, দাদা, হায়দুন

করা কৌচন কপলিব, তাব ভমজত্রে মাপ।

চ্যবনঃ দেবী ভদ্রে ঐন ইচাবু কৌরগ প্রতিধ্বনিন লোক্নরি ' ইচান খুমজিং ফাওদ ভক্তন কোপনি।

ভদ্রাঃ নাথ এপাউব ফাথব অসিদি মহাপাপীনি গাল্লহন ভাকপি খিবদাই শাউবীগনু।

(নেপথ্যঃ দৈবাবাণী) "বাগনু চ্যবন আশ্রমদ হল্লো। মহাকী রত্নাকর মহাতপস্যাদ লুপখ্রে। হৌজিক এহাক অমর ওইরগনি।

ভদ্রাঃ নাথ। দৈবাবাণী অসি তাবীয়ু।

চ্যবনঃ কদায় ইচাবু মহা তপস্যাদ পুক্লিং লুপখরে অমর ওইর গনি হায়রব। কচাদ মুংশিরব রানো, শান্তি লাকলে চংলো দেবী আশ্রমদ হল্লসি।

ভদ্রাঃ নাথ— (ভদ্রান শঙ্কন পুখিব)

সবিতা (অঙাওবীগুম থারকই। কদোমদ চংলপ মাবু খিব ফংগন ইবুঙো থন্নাইগী মবুঙে। মহাকপু কদায়দ লৈবগে। মুমিং থা অমদি বনগী উরি চপাল পুন্নমক নখোয় ঐগী স্বামী রত্না উত্রা থন্ন ভাকপিদুগব অরেম্ন মকম থংদবন সবিতান খিব ফংজ্রে।

নারদঃ (থোরক্লুন) সবিতা কারগী রাবি, নবুতাদ মহাতপস্যাদ পুক্লিং লুপখরে। জগৎকী জীবন তানবদ ফংজব মহামন্ত্র ফংখরে। হৌজিক মহাকী থন্নোয় অতু নৌবব উনাদগী

য়েন খোংথরে । থাপ অমুক লৈরে, চিংনগুম মতীনগন
রাশকখিব দস্যুগী শাক্তং থাদোক্লগে হায়বহু ফুংলে ।
চৎলো সাবিত্রা আশ্রমদ হনলো। মাগীদমক যারগনু ।
নিংশিংবা নহাকীদি মতাং অসিদ লোইরে । মুংশিব
খোঞ্জেল হরি শোরো ।

নারদ, সাবিত্র

ঈশৈ

শোরু মুংশিব হরিগী মমিং,
পৃক্সিং তপ্ন থবাই মুংচাইন -
মাগী খোঞ্জেল অরাং কারনী
অমানব খুঙম শোয়দন কংগনি ।
চীং মাল সমুদ্র অচৎ চংজ জীব:
গ্রহউপগ্রহ মহাক্তন শেখনি !
পওপলু মীওইব নত্তব চংকনু
পাপকী চৈমা থোকপিগনী মান।

(শরু শরু চংখিব)

লাইট

রাজ সভা

শক্কুরাজ্যগী রাজ সভা.

অচৌব সিংহাসন অম থাহুন থমই, নাক শ্বেত্ত থাংপায়ব তা পায়ব লাশ্মী ময়ায় ভাক :শেল্লি। মন্ত্রিচিংব অগুম পুন্নমক মফম চান চান ফমহুনলৈ। মহারাজ রতনদাস সিংহাসনগী থ্বেং লোমদ অচম আসন্দ ফমহুন লৈ নাক্ত রাণী করুনাময়ীশু অতোপ্প তাংবলদ ফমই। অতোপ্প মায়গৈ অমদ (ওইদ) শিবদাস কিজেং লৈতেংদন ফমহুনলৈ।

বৈতালিক জগোয় শাব শিংন সভা মাথদ জগোয় নিত্থিজন শাব লোইরব তুংদ শক্কুরাজ্যগী নিংথৌ রতন দাসন আসন্দগী হৌগংলগ হংন তপ্প প্রজা ময়ামদ মথাগী হাইহৌশিং অসি তপ্প তপ্প চাংলেম্ম হায়রকই ...।

রতনঃ ঙসি তিন্নবীরিব শক্কুরাজ্যগী মতিক চারব মন্ত্রী অমদি থুংশিজরব প্রজা পুন্নমক—। ঐন চহি কয়াগী মমাংদগী শক্কুররাজ্যগী শাসন তৌজররকপান, অহুবু মতম থরদং অরাব ফংলুবে। চৌজিক ইশামক রাজ্যভার পুব মতম হেনথরে। মরম অসিন মতমগী মতুং ইন, দেশহৈতৌক প্রজাগ লোইনম, অপাম মওংদ প্রজাগ নিংথৌগ মরি লৈনন লৈবাক ভাকপ য়ানব ঐ॥ ইত। শিবদাস্ত তায়

পুম্ন ক শিন্নজরে। রাজ মকুট অসি অভিষেকা মশক ওইনা মহাক্কী মথোঙ হম্ম খানব প্রজা পুম্নমক য়াথং পাবারে —।

প্রজা: (মায়াম) মহারাজ মহাক্কা মশকনি। চৌজীকমক অভিষেকশী মতম চারে। মহারাজ—।

করুন: ইমাগী শিব। মহাক্কী মুংশঙ্কর প্রজাগ লোয়নন চাসনবগী থৌরাং ও কগী লেবক হৌরো — ।

পরিষদ: জয় মহারাজ শিবদাসকী জয়। (শিবদাস সিংহাসনদা ফমান পাংগল ফম্ব)

রতন: অমঙ্গ করুনাময়ী আপাবগী) চম্ম ওইয় ইবুঙো (রাজমুকুট উম্নাব)

রতন: (মাং শিব) ইবুংঙো খাং অসি লৈবাক ডাকপদ পায়নো ধর্ম্ম লৈতব চেক্ক বু মদু ওইব লমগাম। চৌজিক্তি ঐস্ন ... ইবুংঙো বা প্রশ্ন আশ্রমদা চংগে করুনা ইচাবু আশীর্বাদ পীরম্ম

করুন: ইমাগী ইবুংঙো শিব -- যক্ত তংবগ রতন মতম কুইন পানব ওইয়ু হাজিকতা ঐ খায়গ্ন লাইনিঙব মতম ওইরে। চংলা ইমাই ইবুংঙো -।

শিবদাস: (সংহ সন্দী মমা মপগী মথোংদ)

ইমা পাবুং নংগা অপারাধ তৌবীগম্ন। ঐগী মক্তব থাম্মায়দ লাইগী মুর্তিশম্ন লাংচরবনি। (কপ্প) ইমা ইমা পাবু অমুক্ত লানবিরমখো ইপা ইবুংঙো নহাক্তি

লাইনি, থুয়া থাদ মশীং নাইরন থুরমজরি।

পরিষদ. অমসুংপ্রজা পুন্ন) জয় মহারাজা ধিরাজ রতনদাসকী জয়

লাইট

১—২৭

বনগী শফম অম লৈশোঁবুং ময়া

(রত্নাকর মহাতপস্যাদ লুপ্তন লৈরী)

শ্রীকৃষ্ণঃ য়েংউ নারদ মহাপাপীগী মশক ওইরম্ব রত্নাকরন, মহাত-পস্যাদ পুক্লিং লুপথরে। মতম পুন্নমকত মাগী থম্মোয়দ মহা আনন্দ ফাওরে। ঙসিদি মাগী মনাক্ত চত্লুন মঙ্গলগী মশক ওইরব আশীর্ব্বাদ পীরগনি।

নারদঃ জয় শ্রীহরিগী জয়। প্রভো নঙদি ময়া লৈত্রব মহাপুরুষ জগৎপিতানি! নমাইন চরন্দ থুরমজরি।

তর্ফিঃ জয় দীনবন্ধু-।

নারদঃ তর্কানন্দ পুন্ন (ঊৈছে ওইন)

নমো ব্রহ্মণ্য দেবায় গোব্রাহ্মণ হিতায়চ জগদ্ধিতায় গোবিন্দায় নমো নমঃ।

নারদঃ হে অন্তর্যামী প্রভো-। (খুরুম)

শ্রীকৃষ্ণঃ আশীষ মুত্র।

গোলোকী শ্রীকৃষ্ণনু

নারদ তর্কানন্দন থোক্‌লল চৌরক্লন মহাতপস্যাদ লুপ্তুন লৈরিব রত্নাকরগী মনাক ওইরক্লন চত্তলগ মেওলব থুম্নব মাহেন হায়রকই।

গোলোকতা

শ্রীকৃষ্ণঃ- রত্নাকর। নহাক ঐহাক্তা চান্নরব মক্লপনি, নহাক মহাতপস্যাদ মবুক্কিং লুপলে, মিকুপ খুদিংগী নহাক্কী পাপ পুন্নমক মথং মথং চংথিত্নন পুণ্য শরীর ওইরগনি। নহাকতা মিংচৎ কুমিং থান লৈরিব মথৈ মুংলরোই নহাক অথোনব কবি হায়না জগৎন শিংথানরগনি মতম পুন্নমক্ত মঙ্গল ওইরু। (আশীষ মুত্র উৎপ)

রত্নাকর অওকপ মহোল অম ফাওরে। মিং উইশিত্নুন তত্ত্রানন্দ কমতম করিমত লেওব লৈতন ধ্যান তৌরি। মনাক্ত অচৌব উপাম্বী অম হৌরি, নঙ্গল মপাদ হৈশোবুং অম লৈ, নাপী লৈত হৌরি, য়েংবদ পূর্ক্কিং ছনবগী মশক ওইরব দৃশ্যনি।

চিনথ্যান থর থর লেওবত্ন তৌরি মহা মন্ত্ররাজ

"রাম। রাম॥ রাম"॥ (হয় হয়) শোল্লি।
প্রতিধ্বনিন নাম অসি অমুক হয় অপ তৌবগী মশক ওইন মায়গৈ মরিদ নিল্লি।


নারদ (মিত্তগী পী শিন্থরকপ হুণ্ডাইবগ লোয়নন "রাম নারায়ণ জয় তৌরি।)

গোলোকতা

শ্রীকৃষ্ণ মোমোন মোমোন নোকুন হয় হয় আশীব মুয়ান কৃপা পীনবিরি।
অভিয়াদগী লৈগী মোং চুথয়কলি
শ্রীকৃষ্ণ রত্নাকরগীমথক।
প্রতি ধ্বনিন "রাম। রাম"॥ রাম তত্তন শোল্লি

রজ মঞ্চগী কয়বাক অছু মমশিংথিব—।

যবনিকা পতন



লোইরব